মণি থিব

মণি থিব

অহানবা মতাং

(অময় অঙান লাম্থেংনবগি অকিব ইশৈ, যন্ত্রন থোংব তায়। লাই হিংচাব অমথন পিকতক্ল ঙাঙবী কয়েম্নব হৈবী থবাবু ফাগদবগি তাম্লরি; চেল্লি চোংই লাক্লরি, অবা-অনা থোঞ্জেল যন্ত্রন কোংদোক্লি য়াক্লা। হিংচাবন কায়ব উম্মব মাম্লব মীকুপ্ত থাবান "অাঁ"—লাওবদ মুমিং (মপাবুং) থোরক্লু্ম—অময় চেনখি—থবান জগোই শাদ্ন মোমোন নোক অঙানবদ তিনখি নম্রগ চীং মরুমদ তাখি। চীঙথৈ চল্লে, অয়ুক অঙনবনি, অঙানবন অমথবু মাইথীব পীথিবদ ঙায়রি। যেনবা থোংই।

কাছাড লম্বীদৈ মঙ্গংলোম পণ্ডিত নখো ১ [illegible] চেগু ১ গু. উচান মৈবা অম পায়, কোইয়েং য়েং পোং তাহোব থিবগুম থোয়কই।)

পণ্ডিত—লোম অসিবু কোংলৈবাক মোণিপুর নত্তব্রাও? কোংলৈবাক মণিপুর নত্তব্রাও?

(মাইচৌ লাম্লুপ কারুবগি কোমুংলোমদৈ হিপ্ন-চানব ক্মিয়োম য়েপ্তুন ময়ুম কুম্মকপ থেংনৈ।)

মাইচৌ—কনানো উঝাবু ? কংলৈবাক মণিপুর থিরিব করিগিনো ?
উচান্দু মুখংলু, সুক পাকপা তম্পাক অসিবু উদব্রাও ?
কংলৈবাক মণিপুর হাযবদু অসিনি।

পণ্ডিত—মণিপুর ওইরেদি মোণিদি কদায় ?

মাইঃ—আয়ঃ, ঐসু লৈবাক'সিগি মাইচৌ অমনি মণি'দ খংদেন।

পণ্ডিঃ—মোণি থিব পণ্ডিত অম থোরকই হায়ব তাব্রা ?

মাই.—তায়, ঐ মাবু উন্নব পাম্মি—ঐসু প'ণ্ডিতনি।

পণ্ডিঃ—নিপা'দো। মসু লোমগি পণ্ডিততো ঐনি।

মাইঃ—অয়ুক্ত উচান পাযরগ পোৎ থিব পণ্ডিততো।

পণ্ডিঃ—ওরাং নহালদৈগি অহিংচুপ্প মোণি থিবনি, কোনুংদ লৈবয়
তায, মোফম অতৈদ লৈব উদে।

মাইঃ—উচান্দু মুখংলু প'ণ্ডিত, নুমিৎ থোক্লে।

পণ্ডি—সনা অশেংব মোণি অশেংব, মী অশেংবদি মৈ ইক্তুবদি
করম্ন খঙগনি ?

মাইঃ—ঐন তাক্কনি, মুখংলু পণ্ডিত। মৈ বাংলোই নোংপোক্ত
মৈ চারা হৌরি। ওাইখো মণি থিরিববু করিগিনে ?

পণ্ডিঃ—লৈত লাইর কোরব মুংঙাইন হিংনবনি। ঐহাক
কৈলাশ চীং য়োকরে, মহাদেবন তাক্লকপনি—কোমুংদ
চৎসি ঐবু কোমুংদ লৈব য়াগব্রা ?

মাইঃ—লৈম নিংথৌন চানবিরগ'দ লৈব য়াগনি, মজাইবেম্মশিংন
থব্রাইবু তাগ্রবদি মমাক ইবুংঙো, য়েঙ্গাং হাওরে মহুদি।

পণ্ডি:—যেসা পাম্বৈন কোন্নুংদ লৈব তায়, যেসা পাম্বৈন মোণিদু লৈভম্ খঙলগ, হুব নত্ৰগ নীব লাকপ নংগি ঐগি মীয়ামগি সুংঙাইনব।

মাই :—মণি৩ন করম্ব সুংঙাইদৌরিব?

পণ্ডি:—হঙোই বে'ডবী ফাওব অরংব মণি মচা অম লোইবদৈ চাব ৱাতে।

মাই :—অহুক ফব মণিদু কোন্নুংন ঐথোয় মীচমদ পীরক্কদ্ৰ', উহনগদ্ৰ?

পণ্ডি:—কবি পাম্বৈন ওইরবস্থু মোণিদু নং, মা, ঐ মীয়াম ঐথোয়গি ইখুৎ চনব তাবনি। নত্ৰবদি কয় ৱান, কয়া নংন, হিংব তাবনে—ৱাথল তৌরো মাইচৌ।

মাই :—তুদি পণ্ডিত মীহৌরোলগি নিংথৌ থর উন্নব তাবনি, মণিগি থেংঙ্গল লীসি হায়রবদি।

পণ্ডি:—মানি মাইচৌ, থর লিব কোন্নুংদ কাসি, লিদ লিব কোন্নুংদদি মরোল ইরোল খঙনদতুন শা লান শানি, মতম মাংদুন তোক্কনি। চৎলু চৎসি মাইচৌ, ইতিহাস হ'যব চী'জাউ তুরেলগি মকদু য়োনব কাসি। প'ৱাং ৱাংন কাদ্রবস্থু মোণিদু লম্বীদ থেংনবস্থু য়াইদো।

মাই :—ঐ'দ লালুপ কাবগুম চৎলুবনি, যুমদ হন্দব গুমিৎ ৫/৬ নী শুরে, হুজিকমক চৎসি হায়রবসি খিৎ পুক্লিং চিংনৈকো পণ্ডিত।

পণ্ডি:—পংকুই কুইরোই মাইচৌ, রাখলন কাগদব চীংনি, মীহৌরোল তুরেল মরু, ইতিহাস চীং পংশাং শাংদে —পংৱাং ৱাংদে।

মাই:—খঙদেনে, মুপী অঙাংদু করি চাত্রন লৈরমগব মীগি মীনাইদুম ওইরম্ত্রা! অকিব অমত্তুম পুক্লিংদ ফাওরকপ শায়।

পণ্ডি:—মোণিন্দ্র ফংলবদি পণ্ডিত, অর-অনা, লৈতলায়ব অয়াম্ব কোক্লগনি—করিমত রারুম্ন মুপী অহনব, অঙাং অনৌব য়াম্ব থিব য়ানি। চংলু তুরেল মরুদ মণি তাত্রা য়েংসি। মাইচৌ, থবক অৱাব হবচাংগি শূদৌশরুক লৌশিং রাখল শিজিন্নদুন হিসে।

মাই:—হোৎনরিবনি পণ্ডিত, মাইব খর শা, পাঞ্জি ঙহাক ওই, খুৎলৌ খর ফাক, থৌ খর মীগি তৌবি—তাংত হিংলকইব কুইরবনে পণ্ডিত। ঐখোয়সিবু মুংঙাইন গিংব য়াদে হায়দুন নোংদম্বন লাইবক য়েকথ্রত্রা করিনো খঙদ্রে।

পণ্ডি:—ইখুৎন লাইবক য়েকচগদবনি, মীন য়েকপিব য়াগুমসে।

(পাম্বোম কোমুংলোমদৈ তফিং তফিং লাক্লগ ২বু উবদ)

পাম্বোম:—নাশা নখোয় কনা কনানো—উন্নব ফরেদা!

মাইচৌ:—অথৌব, ননাই ঐখোয় লাইয়েক শূব মী ঙাক্লনি, কোমুংদ করিগুম্ব অমগি কাজরকপনি, খঙজব হৈজব খরসি মা খুয়াথাদ কৎচনীংদুন।

পামঃ— নখোয়ন লাকপ তান য়াম্ন চারে, চংউ কোনুং তাম্ন পরপ পরপ, পাম্বোম ঐন থারকপনি হায়য়ু। ছজিক ছজিক ইনিংথৌন শা ফাব লেংগদবদ দোলাইরেং অনী রাৎতুন লৈরবনি। নবুক থম্ন চাক পীজনি, শা ফারগ মনা ফংবস্থ য়াওনি। চৎলু ঐ শাবাও লৌরুগে মাং থান চখৎতুন। হায় কনা লৈ লোইশংমচাশা? চৎখ্রিব নিপা ২দু দোলাই পুব য়াওহল্লু, মবুক থম্ন চাক পীজৌ হায়। (চৎখি চীংয়া জঙ্গলদ)

(নিপা ২দু য়েংনদুন ঙকই, দাই হম্ন হম্ন কোনুংদ চংখি)

মাইঃ— করম্নো পণ্ডিত ইমানীবে ?

পণ্ডিঃ— ফন ব্রারবস্থ মণি মনাক্ত লৈবন ফৈ।

(২দু চংখি তল্লপ)

হোংব—নখোয়নীবু লুহোং খোঙচৎ ঔরাইবিব্রাও— পরপ পরপ লাওনহায়, দোলাইরেং ওইমিম্নব তায়নে। চাক চজিক খর লৈবনি, পানগ তোৎতুন চাবদি হাওবনি, চৎলো চাথোকউরো। (মনুংদ ঙাংব)

(নিংথৌ শাবগ চাউবগ ব্রারী শাদুন লাকই)

নিংথৌ—শাগি পাউবু করি হায়ন তারিবগে চাউবা? কৈবল শারব নত্রাও ?

চাউবা—কৈবন শারে আজ্ঞা, কুম্মে মুংঙাইরনি ঙসিদি। অপঙ অথৌ খর ধাজিল্লগ থাং তান থিন্দৎতুন হাৎহল্লব, অদুগ

ইনিংথৌন কোম্ন লেংশিল্লগ অশিব কৈদুগি মকোই ফোইবিব— কৈঙম্ব হায়ব মিংথোল ....

নিংঃ— চরোদা তানিংদেদা, চাউব অপাঙ নংন ঙাংব অম। অদুম হায়ন ওইদব থিত্তং তৌরুবদ লাম্নৈ লাথুপ্তু ইব হৈনব কাংদুন করি হায়ন ঐবু ইখিদগে ?

চাউঃ— শিরগ ইতু্দ মীন ঙাংনহৌবত্রদি ব্রা ওইন তাবিরুম্নু আজ্ঞ। হুজিক হুজিক অনিংবদ

অপাম্বী—(কোম্নু গি সিড়ীদগি) চাউবা! নঙোন্দ ঐন হায়বদু সুখ্যা ইবুংঙোদ হঙ্গৎলব্রাও ?

(ক্যা মতপ ২/৩ লাম্নৈ)

নিংঃ— করি ব্রানো চাউব লৈমন পাম্মিবদু ?

(চাউবন খুমদে, ইঙ্গিত্ত তৌই)

অপাঃ— শা ফাব লেংবদ ঐস্থ য়েংজগে খর পুবিয়ু হায়জবনি।

নিংঃ— নংবু শা কৈ কিদ্রাও অপাম্বী ?

অপাঃ— ইথন্দ চৎকদব নত্তবনিন কিজদে।

নিংঃ— ঐগ শোইনন দোলাই তোংলগ চৎলি হায়রিব্রা —? শ্রীরাম্ন অদুবৈ বোন্দ লেংবদ সীতান ইনথিবগুম ?

অপাঃ— চানবিয়ু হ যজরিবা, রঘুপতি (নোকফেৎ)

চাউঃ— ঐ লক্ষ্মণ শাব তারেদনা ...... !

নিংঃ— কৈগি ময়া, খুজিন, শারাক, থৌশাদব য়াব পোৎ নত্তে অপাম্বী। নঙবু খর খঙঙুনে।

অপাঃ — ননাই ঐন কিজবসে স্নখ্যা ইবুংঙোদনি, শা-কৈ লমওক, অমম্ভ কিজদেয়ে।

নিংঃ— ইংৌনাগি ইমিং চৎলিব লাইনিংথৌ ঐবু লমওক, কৈশাল লমহূই কি হায়বনি, গিত্তদ শোইবনে মী হায়বসে খুংলাই যাওন শোক্লকপদি নত্তবনিন।

অপাঃ— ননাই ঐদি কিজদে, মাইযোক ব্রা কৈজয়ে ইবেম্হৌন তম্বিবমতুনা। মথোযগুম্ব নারক্কি লমশাদি হায়রুমু মীবক্কগি শিংলব, থৌবব, মতিক লৈরব মীথোই মীহেন ফাওব ননাই ঐগি মাইয়োকব্রান শুম্ব ঙম্মি।

নিংঃ-- হায, অপাম্বী! (মুম্ন যেংলগ) ঐন লৈবাক্কি থবক অকংব শূরিবৈঙেদ হকাম ব্র' চল্লকইব খংউই উইব্রকইবসিদি নংগি মাইম্নোক ব্রান শুম্মিবজাৎ ওইরে।

অপাঃ— নত্তবদে।

নিং ঃ— (খুংদাম্বী থিল্লগ) হায় লৌশোকউ, কৈ মমাংদ ঐ তূম্নিংলক্লবদি মাংলেদো ?

অপাঃ – লৌথোকপ ঙমজরোই নিংথৌমচাদি মমীৎ য়াম্মি। ঐবু পুবিযু কায়বদি য়াদ্রগা (চৎখি 'সডীদ)

নিং ঃ— য়াম্মি হায়নু মীৎ অনীদনিনে। অনীসিদি নংবু য়েংব ফাওব কোম্নরমদ্রিবসিনি।

অপাঃ— ননাই ঐবুদি নামতন য়েংবিয়ো।

(দোলাইরেং মাইচৌ, পণ্ডিত, হোংব অমদি চাউবম দোলাইদ নিংথৌবু তোংহল্লগ বান পুই, লখীদ মাইকৈ

থঙদন থম তোংইজ মরীল লোমদ চংথি— নিংথৌগ অপাম্বীগ য়েংনৈ থুং হায়মৈ ॥ দোলাই তোংতুন নিংথৌ চংখ্রে, কুমিং নৈলখ্রে চীং মকুমদ, সঙ্গেন্নহাশিং সম্লুপ পুন্তুন বাঁশি খোংতুন মমুমদ হল্লকপ মকম ওইরে। সগোল তোংব নিপা অম (পা ও নম্রগ অতোপ্প অমন শাব য়াই) লানবাউ চেনব লাকই। (ধোন থিল্লি)

সগোল:— নিংথৌ অঙম অথৌ, নৈবাক প্রজা পুম্ব তাবিহৌ— মৈরম পাংবদ লান লাকহৌরে, অম্বারা, তথেম্রা, খাগীরা, চীংমীরা, অরেপ্পদি থঙনদ্রি, লান্দি লাকহৌরে প্রজা পুম্ব অকনবম্ম অশোনবম্ম, নরৈবাক কম্নব শেম-শাবিরো। লান লাকহৌরে—লান।

অপাঃ— (অম্বাংব সিড়ীদৈ) হায় সগোল পাউ! করি লমদৈ লাম্নো থঙদন পাউজেনব অঙাওবাও! লাল্লুপ কারিব লানগি লোইশংদ তাক্লম্মু— মেঙ্গোর সাজোর ফম্নাইব, লেমজা চাবশিংদ থঙহল্লম্মু। করি লাম্নো থঙলগ পাউ অমুক পুরকউ। ইনিংথৌদি শা ফাব লেংখি, ঐন লান চংব্রা কবিনো থঙদ্রি; মাইকৈ অশেংবদদি হাম্ন থঙহল্লো তোম্বা মাইথক ॥

সগোলঃ— ননাই ঐ ফিংমনগ্রদুন লানশক থঙজরক্রে, অমুক লাকচগে আজ্ঞা ইবেম্ম'। (শগোল থোথি)

অপাঃ— কনা কনা নৈ? লানগি. ফিজোল পিরে হায়। ঐ লান চংকে খাগী খাম্রং, কবো অম্ব', খাগী নৈহাও, ' তথেম্লে লোইন শুমগে য়াদ্রগা শোইগে। (ফন্দুন চংথি)

(পাম্বোম্ন সাবাউ পুরগ সগোল তোংদুন থোরকই)

পাং:— তাবিয়ু কংলৈপাক্কি প্রজাশিং, মথারমদ ঙাওরম্বা শা, কৈমচা ৫ ফারে, শ্রীযুৎকি স্নাখুৎমক্ল মৎরাই লৌবনি। শ্রীযুৎ কৈফাববু মতেং পাংবিখিব অকনব অথৌব তা পায়ব ১০দ থুম্পাক অমমম, থুম্পাক ১০ পুন্ন, ঙবোং অমমম পুন্ন ঙবোং ১০ মনা পীবিরনি হায়ন স্না য়াথং তাওগদ্রে॥

(বেঙ্গল খোংদুন নিংথৌবু দোলাইদ পুরকই, ঙহাক থারগ পোথানৈ। দোলাইরেং মমা টনা রাই।)

সগোলঃ— তাবিয়ু মণিপুরগি নিংথৌ অঙম অথৌ অমদি মরৈবাক নীংব প্রজাশিং। মৈরম পা বদ চী মী কাংবু খরবুস্থ খোমদুন থাগীন লান্দাবক্লে। তম্পাক য়ৌরকপদ লোইনমক শোইদৎনব অকন অথৌ পূম্ব লান্দ লেংলসে।

নিংথৌ:- হায সগোল পাউ। লৈপাক শিনহাংন লাংথোকউ— ঐ ইশামক লান্দ চংগনি হায়যু প্রজা খুদিং ক মখুৎচাব খুৎলাই থাংজৌ, হৈজ্রাং, তা য়োংপাক, শিংজং খঙদে থাঙ্গোল খঙদে, অমমম পায়রগ লাকও হায়যু।

সগোল— অজ্ঞা। (চংখিবদ) লান লাকলে প্রজাশা, থকপ চাব অরাইবনি; উতুপ র তুপ অফংব খুৎলাই অমমম পায়রগ থোকপিরকও মৈরম পাংবদ খংগীগি লান লাক্লে হায়রে। শ্রীযুৎস্থ কুম্মৈ য়েংবিদৌরি থরাই থাব পাম্মুবিনো।

নখুৎচাব খুৎলাই অমমম থিয়ো মুংতুমলা থাংতেকলা অমমম পায়য়ু, তুজিকমক খাগীগ লান্থেংনরুব তায় ॥

মাইঃ— ননাই ঐখোয়বু সা ফাব য়াওরুবদৈ হল্লকপদ ঙায়জরি, চাক উন্নদবস্তু কুইজরে ইয়ুম ইয়ুমদ কুমগ চরা অমতুদি পুক থম্ন চারুরগ লান চংজগে হায়ববু।

নিং :— মতু য়ারোই কোন্নুংদৈ চাখো। অহাও হাওত পুক থনব থন্দব থিন্নু— লান ঙম্মগ চাক হোংলগ নোংমদ চরা অনী (২) পুক থম্ন থম্ন চাশি ইনাইশা।

পামঃ— লাকও অথোবশা, সাদ থোবগুম লান্দস্তু নথৌনা উৎলু শিব কিগন্নু। শিদব থোক্লবদি মনা ফংনি, কৈফেজোম ফংনি ; শিব থোক্লগ স্বর্গ কানি ! স্বর্গ হায়বতু মুংঙাই থ্রব লম্নি, তাইবংপান্দ লাক্লবগুম লাক্লবিরোই ॥

(মখোয় ৪ পরেং শান লেপ্তুন তারি)

চৎলু— যেৎ ওই য়েৎ ; য়েৎ ওই য়েৎ। লেপখো। চেংপাল্লা, চাক্লা, পাল্লা লফুরা, অফংব থর চা, হিংব তাবনি লান মন্নুংসিদি। চৎলু চাকবো, চাব হেক লোইবগ খুৎলাই অমমম পায়তুন চেল্লকউ, লান্দ চৎসি নরাইবক য়েংজো। হায় চাখুম পাক্লবশা ! মী ৪০০ গি চানব থোরাং লোইরো। (৪ তু চ খি)

নিং :— পুংজাউ থীন্দুন প্রজা কোৎখলো পাম্বোম ঐস্তু চরা ব্রাল্লুখিগে— অপ খ্মীদৈ লানগি বিদায়স্তু লৌরুখিগে।

পাম :— আজ্ঞা, স্না য়াথং ইকোক্ত থোজরে। (চৎখিবদ) তাও

তাও, প্রজাশা—খাগীন লান্দাররে থা মৈরম পাংবদ লান চংব ঙমগদব নিপামখৈ নখুৎ চাব খুৎলাই পায়ডুন থোরকও —ইনিংথৌ কৈফাব— কংলৈবাক লৈমপুগি স্না য়াথংনে।

নিং :— (কোনুংগি সিড়ীদ) থোঙ হাংদোকউ হায় কনা লৈ ?

অপাঃ—(মনুংদৈ) তম্ব নংবু কনানো ? ইনিংথৌ কৈফাব লৈমপু লৈতে হায়ডুন শাগ্রেম লানগ্রেম্নবরাও ? নথরাই মাং-নিংদ্রবদি স্না সঙ্গায়সিদৈ লাপ্ন চেঙ্খা। অপাম্বী এৗন কোনুং ঙাকলিঙৈ খাগী খাম্রং, অরা কবোন মীতৈ কোনুং লোব য়ারোই।

নিং :— অডুদি থোরকউ কনানো ? মৈত্রবাক লোইচনগে লাকপ খাগী লৈহাওনি এৗ— নখুৎ চাব খুৎলাই পায়রকউ লান থেংনসি। ঙম্মগ কোনুং কঙ্গহো। (মশক লোৎলি কিন)

(লানগি ফিজেৎ হায়রপ শেৎ, কোযেৎ য়েৎ খদাংচেৎ লাক, থাং চুঙ্গোই পাযডুন অপাম্বী থোরকই। থাং হাযডুন কদম তৌই।)

অপাঃ— মৈববাকমচা, নথরাই কন্নব শেম-শাও

(থাং কদম তৌই হাই য়েৎত-ওইদ)

নিং :— (মখুৎ থাঙ্গৎলগ) মৈত্রবাক্কি অথৌবী এৗহাক নহাক্কি বন্দিনি।

অপাঃ— মাইথীরব লান্মীদ মীতৈদি থীন তৌদে, লান্দগি ফারকপ য়েরববু মতিক চান চান ইকাই, চৎলু বন্দি ওইরবস্থ অথৌব, কোনুংদ ফংব খ্বাইদৈ হাওরব থুম্নব চিঙ্গাক চাব য়ানি। (কিন নিংথৌন য়েংবদ)

করিমত কিন্নু, য়েক্লব ওইরম্ব, খুৎলাই থারব লান্মীদ ঐহাক খুৎলাই শিজিন্নরোই। (কোন্নংদ পুরগ চংখি)

(পান্থোয় লান্মী অনী চৈতুপ উতুপ পায়হল্লগ কাহুনা পুরকই লান্ চংদব য়াদে হায়হুনা)

পামঃ— নরৈবাক কন্নব লান্দগি লৈথোক্লুনা চেনব য়াব্রাও? নখোয়বু মৈত্রবাক মচা ঙাক্ত নব্রাও?

লা ১ঃ—ননাই ঐন লান্দ শিখিব থোক্লবদি ঐগি মুপী শকথীবীদু অথোবনা লৌবীয়ু, ইচা অহুমদু য়োকপিয়ু॥

লা ২ঃ—ননাই ঐগীদি মুপী অঙাংগিদি অরাব লৈজদ্রে, করিনা হায়ববু মগাথংবগি তাধন হঞ্জবন য়াম্ম লুন তৌবি মুপী-বুস্থ অঙাংবুস্থ। চানব চেং লৈত্রে খর পুরুচো হায়দুন ননাইদু থাখিবদ চেংদ নত্তন, য়েঙ্গাংস্থ ঙাস্থ পঙপিদ পীবিরকই। ঐবু চীংদ চৎলু, লংফৈদ ললোন ইতিক চৎলু— শেল থংবিগে য়াম্ম হায়— ঐন য়ুম থাদোকপ পাম্ম জত্তুন স্থকচৎ চত্তব। হুজিক্তি স্নায়াধংন ফাহুন লান্দ চৎপ তারবনিন তাধনস্থ হরাউহোরে, মুপী অঙাংস্থ মবুক থঞ্জহোরনি। (মপি তৈথোকই)

পামঃ— নথোনা উৎতুন লান্দ চংউ, নরৈবাক্কিদমক শিব কিগন্নু। নমাই পাল্লগ লান্দগি হল্লরবদি নফম চাউহনগনি, পজেং ফিরান থেৎহনগনি। চৎলু, আদ চৎলিব লান্মীশিংসিগি মতুং ইনখে।

(২হু তম্ন তম্ন চৎখি)

(দোলাইরেং ৪হু উত্তেক, থাংতেক, থাং-তা অরৈব পায়দুন লাকই—পরেং শান— নিংথৌসু লানফি শেৎলগ থোরকই, অপান্থীন কা লানলি, মঙ্গল পী, ময়াম উবদ খুকয়ে— কুমথরগ সিডীদৈ দোলাই তোংখৎলি— ৪হু বান পুই। পান্থোম মাং থাদুন লাওদুন চৎলি।)

পামঃ— য়ানশিল্লো মীতৈ অথোবশা, থাং তেন কিগনো নথৱাই পাম্মুগনো। লৈবাকি য়াইফনব, ইনিংথৌগি য়াইফনব নখুৎ তেকপ নমীৎ তাংব কিগনো প্রজাশা, ইনিংথৌন মুংঙাইরবদি প্রজা ঐখোয়গি মুংঙাইবনি, ইনিংথৌনবু পেনবিরবদি প্রজা ঐখোয়দি চরা অমত্ত চারবসু পুক থনবনি, ঙবোং অমত্ত শুপ্লবসু ইস্থমদবনি।

(লান্মী ১ অমদি ২ মনীং হন্দুন "অয়ো ইমা শিরে শিরে" লাওরগ চেল্লকই। পান্থোম্ন থাম্মি ফায়।)

পামঃ— করিগি চেল্লকই পাংদবশা? য়েরুবদ নঙ্গন উৎপ ·হৌ-নত্রা মীতৈ অথোবশা? অমুক হল্লু লান্দ চংউ।

লাঃ ১—লাম্বা চাদদুন চেন্নরকপনি অঙম্ব। তেম্ন পানব, থাংন শোকপসি য়াম্ন নায় অঙম্ব।

লাঃ ২—অতৈন চেন্নব উরবদি আজ্ঞা, হেক্ত চেন্নিংই, থাম্ব নং-হৌদে খোঙন চেনখিবদ।

পামঃ— দোলাইরেংশা খুৎলাই পায়য়ু শ্রীযুৎ ইবুংঙো লৈপুং মরুমদ থুপ্লিয়ু— ননাই ঐ য়েরুবশিংবু অমুক্তা তান-থায়জগে।

(দোলাইরেং ৪, লাম্মী ২ অমস্থং পাম্বোম্ন তুংদৈ থৌজিন্দুন তেন কাপই, তা হুল্লি, থাং লংই, নুংতম হুল্লি— অকনবন লান থেংনবগি মতৌ উংলি। অতৈন মথোনা অশেংব উংলি, চোকথৈ, চাক লাম্মি ঈশিং থোরাংই, পাম্বোমগ নিংথৌগন লেপূং মরুমদ লোংলগ থক থক নিকই, অচাপোং লৌথোকতুন চামিন্নরি। যেক্লবন চেনখিব মতৌ উবদ পাম্বোম চোংথোকই মনা থানব)

মাইঃ— মণিপুরন জয় ওইরে! য়েক্লব চেনখ্রে।

পণ্ডিঃ—মণিগি লৈবাক মণিপুরগি জয়!

ইনিংথৌ কৈ ফাবগি জয়!

মাইঃ— থাগি গুম্বগি জয়!!

পামঃ— মথোয় মখোয়গুম্ব মৈর্ব্বাকচান মণিপুব স্নালৈবাকপু লোইচনব য়াব্রাও? ঐখোয়শি লৈরিভৈদ।

নিংঃ— য়েক্লংশিংদু চেনখিব শোইদ্রেকো ইনাই অথৌবশা।

(কিন থোরকই লোংফম'দ)

পামঃ— লোইন চেনখ্রে আজ্ঞা।

নিংঃ— ঐগি অচানব পাম্বোম, অথৌব নংবু ভসিদৈ মেজোর হাপ্পবনি, লৌ পরী অম লৌজা ফংলগনি। ঐগি অথৌব লাম্মীশা! নখোয়বুস্ন ঐন মতিক চাব ফিরোল, চেংচাক মনা মথুম লৈবাক মীয়ামগি মমাংদ পীগনি। লান লোইরবনিন কোম্নুংদ হল্লসি চংলু।

(দোলাইদ ফমথি মরীদুন পুই অমুক পাম্বোম্ন মাং
।তুন লাওতুন হল্লকই)

পামঃ— জৈ ! জৈ ! ইনিংথৌ কৈফাবগি জৈ !
জৈ জৈ কংলৈপাক মপু লাইনিংথৌ কৈফাবগি জৈ।
জৈ জৈ খা'গ ওশ্বগী ...... জৈ।

(বেন্দ পার্টিগী তান্দ লৈদুনা হায়দুনা চৎপি কোইন থেক্ল পাম্বোম মাংদ থাং হায়দুনা চৎপি থেক্ল, শাম্মী ২না থৌগল তৌই, অরাবশিংগি মহুৎ শিল্লি। থর চৎশগ রানজুন পোখাই— অচা অথক থিকরগ চারিন্নৈ ময়াম থর থর য়েন্নরগ।)

(অহনবী মীতৈগি মৌ অম মান্ন খৈদেন কাব থোরকই খুম্মোক অম পায় মতমতু মুমিদাংবাইনি।)

পামঃ— খুঙ্গাশিংদগি ঙা চাক শীঙ খোমগৎলু চৎলু লান চৎনিংদ্রুন লৈথরম্ব নিপা লাঞ্জংব য়াবশিং থেংনরবদি ফাদন পুখৎলকউ। (অতৈ চৎখি)

নিং ঃ— (পাম্বো দ) পাম্বোম আদ চৎলিবসি কনানো মুৱাইদ কৌশিল্লকউ রা হংগে, ফজৈনহায় !

পামঃ— মুপী নং কদায়দ চৎলিবা ?

অহনঃ—খৈদেন্দ চান থরুব খিত্তং লৈজরুগে চৎচরি।

পামঃ— নং খৈদেন্দ কারুরমু চান থরুব শেৎ ইম্নবগি অরাব লৈররোই। শ্রীযুৎ ইবুংঙো কংলৈবাক্কি লৈমাবন নংবু লৈমরোলশিংগি মরক্ত চলহনব পাম্নে। মা য়াথংনি, থুরুমজররাও লাইবক ফবী পোকপগি মহৈ য়াল্লবনি।

অহনঃ—করি রানো অঙম্ব ইবুংঙো, ননাই ঐদি মৌগি শীঙদ চল্লবীনি।

নিং :—(চংলক্লগ) করি হায়রিবনো পাম্বোম ?

পাম:— ঙহাক তুক মুপীগি হৌনব ওইনজব হায়বহুনি আজ্ঞা।

নিং :— করি নিঙাইনো মুপী নরাইবক ফজো হায়বদ য়ানীং ত্রিববো ? (মমাই অরোৎপদু তান্নতুন য়েংই খুকম্ব লোইরগম্ব) নমিংদি করি ?

অহন:—ননাই ঐগি মিংদি থম্না কৌজে আজ্ঞা, ইয়ুম পাঙ্জরবীনি।

নিং :— নমিং থম্বাল কৌ থম্নাদি কেমগনবনি। নংগি মুপাদু লান চৎখিবো, য়ুমদ লৈহৌব্রা ?

অহন:—অকম হৌদুন লৈ, লান চৎপ ঙমদে আজ্ঞা।

নিং :— অকম অপুম্বদু মাগি ওইহৌরসমু, নংদি কোমুংদ চৎপ তারে ঐগি লৈ নাচোম শেম্নব, পান ক্না তপ্নব।

অহন:—থৌজানবিদুন ননাই ঐবু থাদোকপিরম্মু ইত্তিকচাদবীনি।

নিং :— অকম মকোন্দু অঙাং ওলহল্লবদি নং ব্রাইশংন কোমুংদ লৈকব য়ানি নব্রা ? পাম্বোম, মাগি নিপাদু হিংন পুরকউ মশান য়ারগ নব্রগ অঙাং ওলহল্লু।

অহন:—(খুরুম্মগ) মথব্রাইদদি কনখিযু আজ্ঞা, শোল্লব কুমলাইনাদ থোনা উৎপিরগ করি কান্নগদগে ? মাবু মাংহনবিগ্নবম্ব ঐসি মাগিনি হায়ব তান্নগদব মিহুল হুল্লকইব থাবুম অহুম শুজিনখ্রে আজ্ঞা। অতোন অত্তাশিংগি থব্রাই, মরল, লমচৎ ঙাকপিগদব লৈমপুন সম্বল ওইবিরগ হব্রাইমতোন থদৎপিবদি ইনীংথৌগি মত্তিকচাদে।

নিং :— তুমিন লৈয়ু তানীংদে।

(পাম্বোম্ন থম্নাগি মতৈ কুমলৈন পুড়ুন লাকই মথুং পুল্লগ)

পাম:— কুম লৈনাদু ১সিনি আজ্ঞা।

(নিপাদু খুকমই, থাদোকপিব)

নিং:— হায় কুম লৈনা মুপীসি কনানো খঙব্রা? নং করি-গিনো লান চৎকেদি হায়দন নয়ুমদ কুম লৈনা শাদুন কুম্লিবা?

কুম:— ননাই ঐ অকম লাইহৌন শোল্লব নিপা লাইহকথীবনি, লান চংব ঙমজদব অশে বনি। মুপা ইবেম্মসিন য়োকপি থাকপিদুন ননাই ঐ হিংজবনি, মহাক লায়রব ঐগি থব্রাইনি।

নিং:— নংগি মুপীসি কোম্নুংদ থবক কাম্নগদব লৈরে, ঐন পুখিব তারে। মমল কয়া লৌনি হনবিরগে? সগোল কয়া সন ইরোই কয়া মত্তং ওইন পাখি হায়য়ু?

কুম:— য়োনব য়াব পোৎ নচ্চদে আজ্ঞা।

নি:- অদুদি লেম্ন লৌব তারে, নংন ঐগোন্দ কৈদোব ঙম্নি? নংগুম্ব মীরেম্ন হিংবদ লৈবাকক্লিদ করি কাম্ননি? নথন্দ শিজরুগেরা, মীবু হাৎহল্লুরাও?

(শংত্রেক মুপীদ অমুক নিংথৌদ অমুক য়েংদুন লেপই)

অহন:— ননাই ঐবু মুংশিবিরগদি অশোনবসিবু থীন তৌবিন্দু আজ্ঞা।

নিং :— পাম্বোম কুমলাইনাহ্র খুনগি অহল লমন্দ শিন্নরম্মু। ১০ নী লৈরগ ঐ মাবু য়েংব লাকনি হায়রম্মু।

কুম: — নিংথম থাগি থম্মাগুম কেম্লবা ইবেম্মা, নং ঐবু রাজৌ-মুকো পাম্মূবী।

পাম:— চৎলু কত্তুন। কপকনু য়ৈনিংই।

কুম :— আজ্ঞা ননা সিবু থা অম অনী লৈরগ হনবিরক্কদব ওইরব্রা নত্রগ চাননা ?

নিং :— চৎলো তানিংদে, নংগুম্ব কুমলাইনান মাবু মচিঞ্জাক্ থাকপ ঙংগদ্রাও ?

(দোলাইবেং অমদি লাম্মী ঙহাক য়েংলে, তারে নিং-থোন দোলাইদ কারে. অমুক পুহল্লে রান— পণ্ডিত অমদি মাইচৌ দোলাই চুরে, অহনবান নিংথৌগি মনাক্ত কপত্তুন চংলি নিংথৌন করেম্মরি লক্করি।)

নুমিং তারে অতৈ পূম্নমক চংথে। পণ্ডিত অমদি মাইচৌ শোথহৌই রারী শানব।)

পণ্ডিং:—নিংথৌ খনবসি রাইনহায় 'মাইচৌ মসি তৌহৈব শিন-ফম নত্তে।

মাই:— নিংথৌ খন্দ্রবদি পণ্ডিত, অমুক হেন্ন রানি. মচা মনাইন ওৎপ নৈবদ মী ওইন হিংব ঙম্পোৎ নত্তে। নিংথৌ খনবসু রাই খন্দবসু রাই। করমনো ?

পণ্ডিং — মণিদো মণিপুরগি করম্ন হুসিগে ? লাকসিগে ? মহু ফংদ্রিবমথৈ রাব থাংব তায়।

মাইঃ— মীওৎপ নিংথৌ অঙম এথৌদ লৈব ক্কি মণি শিন্নথৌক্রম্ব-সিদি পেন্দেদা লাইমা শিদবা মপু ইবুংঙো।

পণ্ডিঃ— নথৌনা লৈয়ু মাহচৌ, ৱান তান্দন লৈবাক পুম্বনা নুংঙাইনবা-মাণবু পাক কংব য়াত্রাও? কংখিদ্রেদা মীতৈ নিংথৌ মীতৈ অঙম্ব, মথোয়গি মচা-মশু, মৱী মতা ধারা নালা!

মাইঃ— মানি পণ্ডিত, অয়াম্বন কত্তে, অকব লাইনিংগৌ কৌব য়াবদি খরতনি। নিংথৌ মচা, মচিন্মনাও নুংশিনদে, মপা মচা নুংশিনদে। হাৎনৈ শুনৈ লান হোনৈ, নোং চিফেৎ চিফেৎ নো জু থাদ তাবগুম।

পণ্ডিঃ— মদু করিগনো? লৌন্ন য়াই মুম্বগুম মণিদু মথন্দ নুং-ঙাইনব শিজিন্নব পাম্বননি নিংথৌমচা খুদিংমক্ক। মীচম্ম ঐখোয়ন মণিদু পায়রবদদ মীয়াম নুংঙাইমিন্নদৌবনি।

মাইঃ— ঐন ঙকইবদি পণ্ডিত. অদুক ফংনদব নুংশিব খঙনদব নিংথৌ মচাশিংদুন মীয়মশিংবু ওৎপদ মখোয়ন থাং-লম্মিবদুনি। নিংথৌ মচা অমন লাল হৌনিংলে— মীচম ঐখোয় মশল হৎনরে। নিংথৌ মচা অমনা অপাম্ব অম লৈরে, মদু ফংনব খুৎলাইদি মবুক শিৎপা খোংদাই শেৎপ মীয়ুগাং ঐখোয়গি ইপা ইপুগি পাঙ্গল।

পণ্ডিঃ— লাল্লুপ কান্দমদ ৎলগ মীয়ামগ ৱারী শারুসি, মীওৎপ শিংদুন মীমু খাশিংবু কয়া থীন ইতিহাসকি মতাং মতাংদ শিজিন্নখিব অদুগ মখোয়ন করিগি নিংঙাই তৌখিদব মদুগি হিরমদ ৱারী শারুসি।

মাইঃ— লাইবক্ত তায়নদুন পংখাংদ খাংলম্ব তায়রে। ঐ খায় নখোয়গি ইবুধৌশিংদু। সন, ইরোই, সগোল মীনাই ফুঙ্গা!

(মীৎন কুপ্পদ ষ্টেজদু নিংথৌগি হয়াওতয়াম লৈকোন ওনখ্রে।)

(লৈকোন্দ নিংথৌ প্খ্রিং মকারায় কম্মি, লৈ অম মনম নমডুন, মাইকৈ অমরোমদি প্রেমিকা অম লাকপ ডায়রি, বাঁশি মথোল নেম্ন মুংশিন তায়, মকোক থুম্ব অরোংব পান্টমী অমন অহনবী (পম্না থম্বাল শাবীন্) পায়রগ নিংথৌ মনাক্ত চংহনথি। অহনবীন মতুংলোমদ লাম্ন চংবগি শাম্মিন ফংবদ থংলব নিংথৌন চোংথোক্লগ পমকা তৌই মথয়াই কঞ্জনব। অহনবীন নোকক্লৎ তৌরি।)

নিং :— (মুম্ন য়েংলগ) হায়, থম্না থম্বাল। নংদি অথেংব অহিং সিদ কৈদৌব লাকইব। ডসিদি নিংথৌকাব নত্তে থাংজনি। চৎনরোল কায়ফদে লৈমা। করি বা?

অহন:— পূববাশ্রমদ ননাই ঐগি ইপুরোইব ওইজরম্ব কুমলাইনাডুবু অঙাং ওলকনবিগ্রব্রা?

নিং:— হিংবদ মশিক চান্দ্রব মীরেমদু মথন্ত শিজখিবনি।

অহন:— ভর্দ্দাদ মাগি অঙাং ঐন পোকচবদুবু মহম চায়গ ইনিংথোগি শুভম শিম্নবিরম্ব তায়।

নিং :— ঐহাক মদু নডোন্দ হোয় হায়খ্রে।

অহন:— লৈবাক মীয়ামদা লাওথোকপিয়ু মদু, ননাই ঐদি ইচিং ফঙবীনি, নত্রবদি —

নিং ঃ— চৎলো খেংথ্রে, নিংথৌকাবদ ঙাংনসি।

অহনঃ—থাংজ, নোংম্যাইজিং, নিংথৌকাবা (অমুক্ক হায়)

(অহনবী অমদি নিংথৌনা শারম রারীড় অপাম্বীন মীতুং-থোঙদ য়েংই লোম্ন। অহিংদ থোইবী কে ন লাকই ফিকক খুমগা হরান লান্নাদ, নিংথৌন ছরাম তরাম ওকই— ফম্মগ নত্রগ হঙ্গৎ হন্দ হবা চামিন্নতুন রারী শায়। মগোড় অহনবীন লেপ্ন থেংই, অপাম্বীসু মীতত্তগি লোন্ন উই। নিংথৌন খমাস পোখাসি হায়বগি ইঙ্গৎত—)॥

থোইঃ- নহা মচা নত্রে, সনা বুদ্ধি তৌবিয়ু। তুংগি রাথোক লাথোক ওইরনবা চাবা লিংবিনু। হুজিক হুজিকিদ খনবিনু নৈমপু।

নিং :— ইবুধৌ পাখঙবন সাক্ষী ওইবিসনু! নংন অপাম্বতু থোক্লব ঐন শাংগে হায়রেদনা। করিনো নংন পাম্বিং-ববো? সনা লুপারা? লৌ হিঙ্গোল্লা নাই সল্লা? নবুং নৌপা কনাবু মফম চাউহল্লুগে।

থোইঃ—নীংজব থুংহনবিব ইনিংথৌ, ননাই ঐন পোকচবা ইচা নুপাবু হযেং ইনিংথৌগি খুভম শিলহনবিগদ্রা? মতুনি ননাই ঐগি ইমল। স্নাবুদ্ধি তৌবিয়ু।

নিং ঃ— (ঙহাক খল্লগ) অতু মঙায়রে থোইবী ঐ য়ারে।

থোইঃ— অতুদি আজ্ঞা, লাইশং অমদ লেংলগ রাশক্রুরুসি— স্নাথুৎত কচ্চরে ইশাবু।

নিং :— চৎলু য়াঙ্গোই সগোল অমদ তোংলগ চৎমিন্নরসি।

(হয়াওন চৎমিন্নখি, মখুৎ শন্নদুনা, লোন্ন য়েংলম্মিব অনীত্ত মথবায় চাক্ক উই, চৎনখি। কুম লাইনানা গোষাই শারগ লুন শেং-চা কোয়ে' ফুরিৎ ময়াং মান্নব ত্তোরগ হুরান্ লান্নাদ লাকই। লৈচেং অম-অনী খুল্লগ কোন্নংগি মী-হুৎত লংখৎলি, অমুক লোৎলি অমুক লংখৎলগ লোংশদ অপান্বী খোদেম্মগ থোরকই— সিড়াদৈ কুমথরকই ইঙ্গিৎ খঙনদুন।)

অপাঃ—(কোয়ন য়েংলগ) কনানো গোষাই নত্রাও?

গোঃ— (কুমলৈনা) নমস্কার রাণীজী। করি স্না য়াথং?

অপাঃ— থাইনদি লৈবাক অম খুদুম চল্লগ লানঙম্ব কাংবুন লৈবাক্কু মুৎহললনব ওগ্রী চোংই হায়। লাও ইমানীস্থ চোংসি, নুপীবু উশিংতবা, মীনাইগুম সন ইরোইগুম নুপীবু শিঞ্জিন্নব লৈবাকসি মাং-তাকচসনু। ঐ করিমত্তা পান্মুদ্রে। কিনু নখুৎতু কদায়, করিগি নশা নিকই।

[মখুৎ পায়রগা থাবল চোংই]

ঙসিন লাইরেন নোংজাদা! লৈবাক্ক মুৎকে মুৎচরো! নিংথৌন শিগে শিজরো! নুপী ঐাগ ইতিকপু, ঙসিগি থাবল নহাক্ক, খঙজ উজহৌরে দো॥)

গুরুজী মাইব শাবন্ন চৈ হায়ব নত্র'ও? ঙসিদি হক-চাংসি কয়া ঙমদে, হিদাক অমত্ত শোম্বিরম্মু। লাও কো-ন্নংদ চংসিঃ করিমত কিগনু, নশা নিকন্নু কংলৈবাক্কি রাণী ঐন হায়রিদনা।

গোঃ— স্না য়াথং হিকত্তোকফদে রাণীজী।

(কোমুংদ পুশিনখি— অহনবীন ভক য়েংহৌই— শোন-হৌই— মীতৈ মুপী !)

(লোংডাম্লে, অযুক্কনি, নিংথৌ অমদি গোষাই বারী শাহুন লাকই)

নিং :— করি করি পাউ জারি গুরু ? যুমলোম্নব য়েক্লবশিং কবো, তেখাও, তংগেল, খাগী খাম্রং, কনা কনা মীতৈ লৈবাক্ত লান্দানীংব উরি ?

গো :— হুজিক্কমক্তি আজ্ঞা, মীবৈবাক মণিপুরদ লান্দারক্কদবগি মমিদি কয়া উজদে ভনি থৌগি পাম্বোমগি পাঙ্গল খুডদব শক্লব লৈবাক উঙ্গদে। পুদো থাদি যুমদ লৈরে আজ্ঞা।

নিং : করম্না ভক কয়্মা ?

গো :— ডাকপিন আজ্ঞা ননাইবু। নঙ্গা ইংঙোশিং, ননাওশিং মীমক জকৈস্ত নিংগৌ ওইনিংববু য়ামখ্রেনে, মতিক ল খুডদ লৈতে খুডদে

নি : ঐগি ইচুং শিন্নি বা ঐহাক শিব জায়ব ভমদ্রব য়াম্ন নারে হাইরকে ? মপাঙ্গল কনখৎলকপ নহারোল, ঐবু পাঙ্গল শোল্লে শঙলদুন ইনখুনি লবকো ? তৌবিমল খুডদব থকসি খাসি নাইদব নহাশা ! ঐগি ইচুং শিন্দুন লৈবাক মরা ভগ্ন পানব ভমগদ্রাও নখোযবো ?

গো :— নিংথৌ খুডমসি মিহৌনবদ মরীমতা, মপা, মচা, মচিন-নাও অমত্ত মুংশিব খুডনদ্রে আজ্ঞা। তাইবংমীদি তৌবি-মল খুডদে ওইজব ফংনব মতম মতমগি চিরোল তৌ-দুন লেনবন অয় খনি।

নিং :— চহিন পাঙ্গল থর মথেং তারকপনে, ইচা ইনাও, নুপী মরী-মতান তৌবিমল খঙদবনে নিংথৌ ওইবসি তনবু তল্লেনে। ইচা ইনাওন হাৎলগ শিদৌশরুক ঐ লাই নীংলগে, তল্লে ঐ, নিংথৌ খুভমগিদমক শাগৈগি ঙৗ অরেম্বদ মাংতম্নিংদে। লাঙথোকউ পাম্বোম কনা কনানো ঐগি ইতৃৎত 'নংথৌ ওইনিংবশিংদু মশক খঙগে।

গো:— নিংথৌ ওইবিনিংব নিংথৌ মচাশিং কনা কনা লৈবগে থোকপিরকও —শ্রীযুৎক উনবিরো।

(অহনবী মচা শাব লান্মী নং ১ অশম্বুং হোংবন কাংবু অম ওইরগ লাকই, অপাম্বী মচা শাব সগোল পাউ অমত্তুং চাউব কাংবু অম ওইন লাকই; থোইবী মচা শাব লান্মী নং ২ অমত্তুং থম্ব কাংবু অতোপ্প অম ওইতুন থোবকই মথং মথং। নিংথৌন ইভুক চক্ক য়েংই ময়ামত্তদ মথং মথং।)

নিং :— ঐগি ইহুৎ শিল্লগ নিংথৌ ওইনীংলিবসি নখোয়গা অঙাংশা? খুম্মু নবুক শেংন।

ওমক:— মানি পাবুং নিংথৌ ওইজনিংলে।

নিং :— পিল্লাওশা হা হা হা...... ঙরাংদ কোকপ ঙখা নখোয়ন নিংথৌ ওইনিংলিববু করি নতিক লৈত্তুন ওইদৌরিবনো? কনান ইনশিল্লি শেংন তাকউ।

অহন:— আজ্ঞা ননাই ঐন ইম্সিজবনি, ওইহনবিদব য়াদে ননাই ঐন পোকচবসিবু।

লা: ১— পাবুং ঐ ইশানসু ওইজনিংলে।

নিং :— হায় ককয়োং মানব নংন করম্ম নিংথৌ ওইদৌরিবনো ?

অহনঃ— ককয়োংন ককয়োং মাম্ম পোকপনি আজ্ঞা মপাবুং চেল্লনব রাচু করি কান্নদগে ?

নিং :— নত্তে, এন হায়বনি থম্না থম্নাল, মীতৈগি সিংহাসনদ কংগে হায়রবদি ঈগি তুং লে লাল্লগা কাব তাবনি। তমথী-রব তুরেলগি ঈচেলদুদ হিরোই কয়ান নংগি লুকাই হিচু হোনদোরিবনো ?

লান্মীঃ—মচুগিদি রাপোং নত্তে পাবুং, এগি সেনাপতি ওইদৌ-রিব হিরোই হুঞ্জবচু নিপাসিনি।

(হোংবন থাং হায়, তা খোশায়, নিংথৌদ চোংশিল্লগ থিনগে তৌই— নিংথৌ থংম হন্দোকই শাওই)

নিং :— কয়া থংগ্রবনো ! শক্ত মক্ত হুংকোক মানবনে। হায় নখোয় অতৈ নিংথৌ ওইনিংব লৈরিব্রা ?

সগোন: —পাবুং, ননাই এম্ম নিংথৌ অমুক্তদি ওইজনীংই, নিং-থৌমচা ওইন পোক্লবনিন—

নিং :— শক নংবু নিংথৌগি মচারনে, ময়াং অনাবদি হেক মাল্লদুন ॥

অপাঃ— রাশি লৈব ইচানি আজ্ঞা, মাইবী পাঞ্জিন ময়াই ফম্মু হায়ব লৈ হায়ন ফাওরিবপোংনি। এগি ইচাবু ইকাইব পীবিরবদি আজ্ঞা ! লৈবাক কাং-খোং চায়নি। স্না বুদ্ধি তৌবিয়ু।

নিং ঃ— রানী নংগি নচাসিবু নিংথৌগিদি ঈনিকো, মাগি মীচংদ লেপ্পীগদব অকন অথৌ কযা য়াম্ন লৈরবগে কুরুক্ষেত্রগি লান্দ য়াম্নবা।

সগোনঃ—থাংশূব, তা পায়ব ভম্মব মীতৈ মখৈ ননাই ঐগি লান্মী ভাক্তনি। সেনাপতিন—তু—

চাউঃ— নহাদে চাকয়াম চাদুনা চাউবদে, মজাইবুংঙো য়াইমগি মনাইদে।

(চেং ফংদুন তা খৌশাই, হোক লৈরগ তান মখেংঙদ শোক্তন অয়েইম লাকই। মদা ই ভান থি বেং-পিরগ দাক তোব. গোম ই মন্ত্র শোনবি)

নিং ঃ— অতৈ লৈত্রবাও নি নৌ ওইনিংব নি নৌমচ?

থোইঃ— ননাই ঐদি অহৈভ হায়ঙ্খিবদুনি, 'নংথৌ ওইহনবিদব য়াদে হাংদুন— ননাই ঐদ থাবোংদৌবজাংনি।

(অহনবী + অপাম্বা ম মন খেংদেমই) ইকাই খৌবনবু মহানে, স্নাজাউব নংবু নপাবুংদ হঙ্গংলো।

লা ২ঃ—ঐগি পাংবু কননো? ভরাং অহিং লারুম্ব অদুদি য়াওস্থ যাওদন—

থোইঃ—মীতৈ লৈবাক্তী মপুসি নংপানে, ভরাং লারুম্ব অদুদি নংগি মাম মাইব শাবদুনে॥

লা ২ঃ—ননাই ঐসে প বুংগি নচা ওইবিরবদি পাবুংন নিংথৌ তাবল থাদোকপিনিংলবদি ননাই ফমজফোগে।

থোই:—ওইহনবিদব য়াদবজাংনি, শুকয়া য়াদবজাংনি।
[মুপী অনীচুন থৌদেমই]

নিং :— সুরাইদ চংশিল্লকউ নশক্তু যেংগে।
(থর চংশিংসি, নিংথৌন যেংই মশা পুম্ব, মমাদ অমুক মচক চৈংডুন)
নংগি অবল অথৌ নত্তে পাংগদবশিংদি কয়া য়াম্ন লৈ-জার? মসিমদি থর ঐ মানব তায়।

লা ২:— লান্মী নিশীং কশা ঐগি মথৌবসিংগি মথাদ লৈ পানুং। ঐথোযগি ইমা ইচাদি লানচাক থাংলগ লাক্লবনে, থাং গপাং ম ানদ খুৎলাই পায়ব লান্মী য়াম্ন লৈহৌরপোংনি।
[মমান খূজিন শিকই]

নিং :— কবয়ে গুরুজী কনাদ সিংহাসন শিন্নরমসিগে?
[লোম্ন তানৈ] ঐন পাম্বদি অঙাংশি পাম্মি, ঐস্তু থর মাল্লি।

গো:— অঙাং ওইমলশি ইনিংথৌ, ননাই ঐদি স্নায়াইমসি পাম্মি। অদুবু অহম্ন ওইভমদি থোকপন—

নিং :— কান্নদে গোযাই, ইচাশা, সিংহাসন শংদোক্লগ বন্দ লাই-নিংব চপ্রিবৈঙদ ঐ রাথল অমুক্ত তৌথিংগে। নবুক ইংন হুম্নিদং ঙায়থো। চৎলো চৎলো। [কনাস্তু চৎতে] লাই খুরুম্মুসি গুরুজী। [চৎমিন্নথি]

ময়াম:—য়ৈথোকপ পামদে, ঙসিমক নিংথৌ ওইরগে হংল্লে শাল্লো

অঙম্বন নিংথৌ। আঃ আঃ হাৎলে হাৎলে! লৈবাক কায়রে! অয়ো ইমা! শিরে শিরে।

(হাৎনৈ শুনৈ লাংনৈ গ্রোংগ্রা' পোৎচৈ চায়থায়নৈ লা'নৈ)

[অহিং ওইরে ষ্টেজদু মঙাল খিৎজন ঊহল্লি। পণ্ডিতন ঊচান নৈরা ৩ম পাষ, মাইচৌন কোর্ব্বেক অম পায় বায়ী শারগ থোরকই।]

মাইঃ— সুংঙাইগ্রপোংনি মীতৈ লৈবাককি মীহৌরোল মতিক চাদব খুৎয়াম্ন মণি শায়রে, য়াই মুম্নরে, করামচাউব নিংথৌমচ অঙম অথৌ থরগিদমক লৈবাক প্রজা রানরে।

পণ্ডিঃ— মীয়াম প্রজাগিস্ন, অঙম অথৌ নিংথৌগিস্ন সুঙাই য়াইফনব শিজিন্নব যাব য়াইদো-মণিদো. পৃন্নর্মক্কি রানব মাংন তারুব শিজিন্নরে। মসিদৈ হেন্ন কাপ্নংব রাফম অতৈ কয়ি লৈগদগে? বিজ্ঞান্ন তাইবংমীগি কান্নরব খুৎলাই কথা শাই, খুৎলাইদু শিজিন্নব হৈতব মীন মশা মাংনব শিজিন্নগ্রবদি কয়াদ অরাব ওইগবনো? মথা চথসি মাইচৌ. নিংথৌমচাশিংন মণিদু শিজিন্নব হৈতদুন অরেস্ব তারিব্রা—মীচম প্রজান শিজিন্নরগদি মণিদু তাইবংমীগি য়াইফনব য়াই ওইব য়াত্রা য়েংসি।

মাইঃ— ফরে, পণ্ডিত শাংথদুন কায়দে। মণিপুরগি রাজনীতিগি লৌবুক্ত ইংরেজশিংন করম্ন থুৎ থিংজিনখিব করম্ন মথোয়ন মণিপুরগি মণিদু পায়খিব অত্তুদগি কমদৌন মীয়ামদ পীথোক্লব্ব হারবদু য়েংথসি। (থোকমিন্নখি)

(মুংথিল শুইরে, চৈক্ত অঙানব মঙালনা জাওরে।
নিংথৌশাবন নিংথৌ অমস্তং অহল পূন্ন শ্যম প্যাথোম মীতৈ-
গি অথৌবা শারগ থোরকই।)

নিং:— হৌজিক খুরক্কি ঈন লাই শাব হায়বদু তৌগ্রে মতিক লৈব কম্পানীগি সাহেবশিংদ ব্লাকৎলুরে ঐথোয়বু কিহুন মথৱাই নিরগ চেনথিবদুন মীচং কংলবদুদ শানোংনগুম্মা মিরজাফরগুম মরৈবাক মুংনব লাংনশিংলরে।

পাম:— য়াম্মুং, ঐথোয়ন চজিক্কি ঈরি খাক্রুবদেনি, মহাদেবগি মতঙ্ক য়েৎপ লৌহ্লান গরুড উবদ মমীৎ থত্তুন লক্লব-গুম্বনি। মলেস মচা অম লাকই হায়বদু কৌশিল্লগ ৱারী শারসি ইপু মেজোর। মনীং তম্ব লৈবাক্কি নিংথৌ সেনা-পতিন করিগি মৈর্ববাকমচাবু পংকি কিভম থোকপগে?

নিং:— মদুনি ইংসিদি শিব কিদব মরৈবাক নীংব অথৌবনা য়েক্লব কনাবু কিভম থোকংগে? চংহল্লকউ হায় কনা লৈ— ইংরেজ থর লাকই হায়বদু?

[সাহেব শাব অম লাকই]

সাহেব:—গুড মোর্নিং রাজা সাহেব, গুড মোর্নিং অথৌব। (খুৎ শোক্লে) ঐন লাকপগি মরমদি মণিপুরগি নিংথৌ ওইৎ-ভম থোকপবু তাংস্নাকপিবগিনি, অচুম্ব পাম্ব ধর্ম্ম লৈব ইংরেজ কম্পানীন অৱানব মীবু কব পাম্মি, অচুম্ব নিংথৌ মচাবু নিংথৌ ওভম হজিনহনব পাম্মি — মদু হায়বিবু

লাকপনি। হৌজিক কম্পানীগ য়েংবীনবদি অমাব ভাগেদনি।

পাম:— নিংথৌ মচা মপেল খংনজবদ কম্পানীগি মথৌ লৈতে, ঐখোয় কম্পানীগি মথাপোনব লৈবাক্কি নিংথৌ, সেনাপতি নত্তে। ঐখোয়না তৌখিব পূম্ব ধর্ম্মনি, অচুম্বনি।

নিং:— সাহেব, মরাল লৈব মী নত্তে নখোয়না পাম্মিবদো, ঐখোয়গি লৈবাক্কি অচুম অরাল, অফ-ফত্ত, ঐখোয়না খণ্ডি নখোয়না খণ্ডোই।

সাহে:— কম্পানীগ য়ে থীনব অশিংব ওইরোই, মতমসি অকনবন চুম্মি হায়ব খণ্ড। তাম্বোকগ্রব অচুম্ব নি থৌ মচাবু মফম হুজ্জিলহল্লু, মাবু তাম্বোক্লকপ মরাল লৈব নিপাবু কম্পানীদ রাররকপব পীথোকখো।

পাম:— সাহেব নং ঐখোয়বু উশিত্তব্রাও? নংগি পাউতাক পামদে—নথব্রাই মাংনিংদ্রেবদি চৎখ্রো চৎলু।

সাহে:—ঐভোন্দ শাওব অবেম্বনি, ঐদি নগোয়গি রাজ সরকারগ ফনব হায়বতনি। গুড বায়! (চৎখি)

পাউ ১:—আজ্ঞা—সাহেব খর সিপাহি খর লাকপদু লান হৌরক্লে।

নিং:— লান লাক্লে হায়ম্বে— লাল!!

পাম:— হাৎলু তুম্মব হাত্তোকউ।

[সাহেবহুবু ফাদুন পুরক্লে লাম্মী অনীন]

লাম্মী:—প্রজা মীয়াম্নদি সাহেবশিংগি ঈ পাম্মি।

পাম:— ইপু, শংলিংবদ—

নিং :— চৎলু শংলিংবদ পীথোকউ।

(মমলে, ষ্টেজ খিত্তবক গ্রালে। পণ্ডিতন মৈরা পায়, মাই-চৌন তুং ইল্লগ ষ্টেজ লাছোকখি মারী খিত্তং শারগ)।

মাইঃ— মৈরিক অমদগি মৈজাও হৌখি। শাওরবন মতিক মপা চাব চাদব য়েংনদ্রে। মরৈবাক নীংব প্রজা কয়া কয়া লৈবাক্কি নীংখা তম্ব ঙাক্লব মংব্রাই কৎখি।

পণ্ডিঃ— কয়াদ পাম্মুখ্রব থব্রাইশিংনো। লাম্বা চাব চাদব খিগৎ-লুব ঙমদব মীচম প্রজা কয়া নিংথৌমচা মশেল থরন য়েংথৌনবদৈ থব্রাই মাংখ্রিবা। মণিদো কাম্নব শিজিন্ন-দবন প্রজা ময়াম অৱাব ভাখিবনি।

মাইঃ— নিংথৌমচান পায়রগ মাংনব ওইব মণিদু প্রজা ময়াম পায়দুন য়েংব ভায়। মথংদ অচৌব লান, নীংখা তম্বগি লান্দ নরমেধ যজ্ঞ!

(মপ্লিব ষ্টেজদ থোংজোম লান জগোই। থব্রাই কয়া অরেম্বদ মাংব কপনব লাওনব।)

(নোংঙাল্লে— ষ্টেজ পূমঙাল— সাহেব অমদি মেম (অহনবী) লৈবাক ঙাক্লি। সিপাহী ২ ন ঙাক্লি শেন্নরি। রাজনীতি দল টুপী অঙৌব (অঙাংব উপ্পশিংন আন্দোলন তৌরক্লে— স্বরাজ পীয়ু স্বাধীন্তা পীয়ু, লাওররে। সিপাহি-শিংগ ইন্নরে— লাওনরে কাপ্পরে— মী শোক্লে শিনরে মরৈদ সাহেবন স্বাধীন্তা পীরম্মে। মীয়াম লাওরে—

প্রজারাজগি— জৈ!! মীথল। মীয়ামগি—মীহুৎ খেনগ-দবনি। মতিকচাব নিপাদ, — ভোট পীখিয়ু)।

লাংব লোইখ্রে—অহিং ওইরে।

পণ্ডিঃ— প্রজারাজ থুংলবে, মীচমদ বণি পায়রে।

মুইঃ— অদুদ পণ্ডিত, ইলেক্সন্দ কারিব মীশকশিংসি মীচম্বু ইয়াও য়াওদেনবায়। মরল লৈব অণ্ডম অথৌগি মীহুৎ ঙাক্ত ওইন তৌরি। খঙদ্রে করি থোক্লগবা।

পণ্ডিঃ— থরদি করবনি মাইচৌ। মীচম প্রজান জ্ঞান তারবদি মণিদ্রু কুইরোই মথুত্তা তারকপ। য়েংথিব হায়বদুনি।

—:(★):—

মণি থিব

(দরখাস্ত)

অমীগুব মতাং।



{ অপাম্ব মতুং ইম্ন নৈতেং, গম্না, মেজ থানব, ডিরেক্তরন পাম্ব
মতুং ইন্ন ষ্টৈজ শেমদোকপ য়াই মুংঙাইনব

১ব উৎপদ লৌমী শিল্পীগি অরাব পুল্লি

(লৌ উব, লম্বী শেম্ব, ঙ্গা কাব, উ য়ানব, কারখানাদ থবক অরাব অমোৎপ লোম্ব। সমাজগি অনেম্ব থাক্ত লৈব মীওইশিংগি মতৌ মওং য়াম্ন শম্ন হোংব, চাউব, থম্ব ১দি হুপীন উৎপ। ইশৈ, জগোই মতাং চান— য়াম্রী অমদি অম্বাই অথুমগি কারক্ত হাপচিনব য়াই, যুৎ চারবদি কজরবদি

পা। অনীথক্ল লম্বী শেম্ব য়াওই, ঈশিং চায়, শীও হোল্লি, ত্তকিং ত্তকিং নত্রগ তপ্ন বাথল তৌন তৌন। পা অমন লৌ থোই, থাওই, শীও য়াল্লি, উ হোল্লি নত্রগ ঈশিংলি। পী-তুন চক্রৌদ বাই থপই, ইন চিংই, লোং থোল্লি. নত্রগ লৌ থাওব য়াওই, অঙাং পোন পোন থবক বান নোম্ব উই, অচাপোৎ পুথোক্লগ পোথাতুন চামিন্নৈ, ইশৈ শুংমিন্নৈ ঙহাক পোথাবদ হয়াওমিন্নৈ য়াম্রী শাংনৈ।

লম্বী শেম্ব য়াওব পা ১, ২ন নুং হোল্লি, নুং থুগাই, নুং থায়, ঈশিং চায়........ নত্রগ কুলী শাতুন থেলা গাড়ী ইন-মিন্নৈ, পোৎ হোনমিন্নৈ, য়াম্রী শায় —থৎনৈ মত্তেক অম শাওনৈ ঙহাক, অমুক চান্নৈ, ফাক ফাক নোকমিন্নৈ,— য়াথল থম্বমিন্নৈ।

পা ১ঃ—পূম্ন শূমিন্নতুন শেল তানমিন্নম্ববদি তাৎ তৌনগুমসে,
থম্বাই থুবাক্ত হাপ্তুন শূমিন্নসে।

পা ২ঃ— নংলা ঐয়া হেম্ন থম্ব'ই য়াওন থবক শূরিবসে? নংবু
থম্বাই কয়া পানব মীনো?

পা ১ঃ—থম্বাই ৫ পঞ্চ প্রাণ য়াওন শূরিবনে ঐদি।

পা ২ঃ—ঐবু থম্বাই অহুমদন শূরব্রাও? অনী অমদি কদায়

তাহৌরে? নং খুল লাকপ্রাও? থরাইবু য়া অহাপ্প- গুম্বরাও? ভাইখো, মীশি থগাইসি ঞেগুন পাল্লি — ডাক্তর কনা উরুরে হায়বগে?

পা ১ঃ — লাইরিক্ত য়াওব য়া'নি। অশিংব মীন লেংব লাইরিক

পা ২ঃ — মীন হায়রগ হেক্ত থাজরিববু নংবু মী নত্রাও?

পা ১ঃ — ঐস্থু নংগুম্ব মী অমনে।

পা ২ঃ — ঐগুম্ব মী ওইরবদি থাজরুম্নু মতাং য়াম্ন হৈবনি। ইলেক্সন মমা দ মী কয়ান ভাংলম্ব রা। মতুংদ কম- দৌথি? লুহোংগ্রিবৈদ প্রেমীক প্রেমীকান থাজনখিব রাশিংদু থুম্পাক অম চা'মিন্নব লোইগ্রিবৈদ ওইদব তাং কয়া য়াওরম্মি সন্সস ডিপার্টমেন্টতা হংলু।

পা ১ঃ — নখোয় ঐখোয়ন চৌকি ফম্ব থবক তৌগে হায়গ্রিবসি করিগিনো?

পা ২ঃ — ফম্ব তল্লি হকচাং কত্তে হায়দুন তৌবনি।

পা ১ঃ — চাক লাক্লেনে, ঠিকাদারন পীব শেলন চেং রাল্লগ চাবসি মখোয়গি থবক হেক শূব লেল্লগ অমুক হেক্ত লাম্ব- সিবু করিননো?

পা ২ঃ — থবক শূব লেগুনব ওইরমানে। রা ভাংবসিস্থু চাক ময়েং তায়নহায়, রা ভাংবদ চাক্ষ ময়েং তাখিবগি মেন- থৎ'ব চেংদি ইঞ্জিনীয়ারদৈ তাস্রা?

পা ১ঃ — ওভর্সিয়ার লাক্লগ হংসি। লাও পোৎ হোনসি খেলা গাড়ী ইনমিয়সি, লম্বীদ থবক শূব ইজ্জৎ য়াংই।

পা ২ঃ—নংখীদ পোৎলুম হোনবদি হুপী অঙাংন উখিরোইদ্রাও ?

পা ১ঃ—ইপোৎ ওইরবোই নীংজুন ইকাই খুম্নখিব য়াই!

পা ২ঃ—নিপা অমনিন কবিগুম্ব মতমদ নখোয় ঐখোয়স্থ য়ুম অমমমকা পাল্লকখিনিকো ?

পা ১ঃ—অময়ম তোঙাম্ন পান্দোশরুক, য়ুম অমদ ইমানীমক পুন্ন পাল্লবদি ? নংস্থ পা ঐস্থ পা।

পা ২ঃ—অমত্তনি, ঐস্থ মী নংস্থ মী; ঐস্থ নং, নংস্থ ঐ। ইমানীন মুংশিনদ্রিবসিবু করিগিনো ? নংবু মন্ত্রীরাও ? বাবুরাও ? অঙম্বরাও ?

পা ১ঃ—নহা ওইরিবঙদ লুন তিন্নরম্ব মরূপ-মপাংশিংদু মযুম মযুম হেক পান্নখিবদ তোঙান তোঙান— অমত্তরোল, সাম্যবাদ মান্নরেল হেক্ত থুগাইনব।

পা ২ঃ—হিগাইরা শান্নমিবসি পী মখৈননি, ঐখোয়বু মখোয়ন সন লোইবদোন লোইব পাম্মি।

পা ১ঃ— হেক্ত চোকথরকইব, চাক হেক্ত লাম্মিবসিবু বৈনো ?

[রারী শারগ সহরলোমদ চৎমিন্নখি]

ইশৈ ঙংজুন লোমী পা ৩ থোরকই লো থাওই, য়ৈ, পৈং-থৎলি কৌ ময়াম— জগোই শায় হরাওবনা।

সুপীচা তুঙ্গোল মথাংদ য়েপ য়েন্দাইরা করিনো অম লোং শাত্তন পুরক্লগ লোং খোল্লি। হান্ন থারম ইল ভাবনা শোল্লি— তুঙ্গোল ঙা হাপচিল্লি. ঙা অচাবম্থ তান্নজুন ফাই —ইশৈ শক নম্রগ জখোই শাব মক্তৌম্থ উই। লোমীন লাকতুন য়েংলৈ, ঙা নীরৈ।

পা ওঃ—ঙা অঙৌব ফিদ্রিং ফিদ্রিং চোংইবজাৎসি উবদ হেক্ত কল্লক মিহোৌদব ঙমদে। লাইতংমুক্ত নীহৌগে হায়ববু রানদি ফাবিবনি—

পীচাঃ— কৈদৌনব ওইবিরবনে। ?

পা ওঃ—চানবনি, ঙাসি হাওই।

পীচাঃ— ওরুব লৌবিব য়ানি, লোইনমক পাম্বিরবস্থ—

পা ওঃ—শেলন নৈজগদব নত্তে, নীজরিবনি।

পীচাঃ— নৈবিগদব নত্তে, লেমন পীজরমগে, ঐবুস্থ য়াওন পী-থোকচগে ?

পা ওঃ—অদুদি অমত্ত ওইবগি ভাবনিনে— অমত্তরোল !

পীচাঃ— ঙা ঙাক্ত চাবদি চাক য়াওদন—

পা ওঃ—চাক ওনব য়াব ফৌ হোনমিম্নসে— ঐ লৌমীনে ?

পীচঃ— চাক্তি খর যাম্ন চায় হায়ববু ফৌক্কা হোনবদি কনগ্রব-পোৎনি— ইশা ফবনিন।

(জগোই হৌশ য়াওন নত্রগ য়াওদন ফৌ থাওমিন্নৈ, য়ৈ-মিন্নৈ— পৈশল্লি— হোল্লি ··)

পা ওঃ—মুপী হায়বসি য়েংব মু ঙাই. নিপাগি মত্তেংস্থ য়াম্ন থরাই য়াওন পাংই— য়াম্ন কাম্ন’জাংনি।

পী :—ইবুক থলহনব ঙম্ব, ঐবু লুন তৌবিব নিপাদুদি মুপী ঐন লাৎকদব ল্যাইনি। মা অমত্ত হায়জগে হায়ববু রারৌবজাৎল ?

পা ৩:—তাল্লা কোকিলন থোংবদৈ হেন্ন সুংশিব নরোলদু তাবদ ঐন করি ব্রায়োভম থোকপগে শুমহৎপ শম্বী।

পী :—অদুদি তাঞ্জা কংলিডৈদ—ইকাই ইকি থাদোক্লুন হায়-হৌরগে ?

পা ৩:—খৌরাংন ভায়ঙ্করী দেবী।

পী :—কৌ ময়ামসিগি মবুংঙো। ননাওন থাজরিব দরখাস্তদিঃ চাথুম অমত্তদ চাকস্থ ভাস্থ থোংলগ পূর চামিন্নরসে অসি থক্তনি। [থুকউ লৈতান হায়জৈ]

পা ৩:—নংগি দরখাস্তুগি পাউখুম করি হায়ন পীনি।

[ব্রাখল তৌই]

পী :—ইকাইশল্লক্লে থর থুন তাকপিরো ?

পা ৩:—ফৌ চেং—ঐগি ইয়ল পূন্নমক ঐবুস্থ য়াওন নংগি ওইংবো দেবী—মীৎকুপ অসিদগি নপুন্সি লৈরিব কাওব—।

(সুপীচা হয়াওবন জগোই শায়, নত্রগা ইশৈ শকই — চোংই কে নোকই ....)

পা ১, পা ২ টাউনগি ফিজেৎ অবাংব তুরাংব খিৎজং হোং-লগ বাবু শাহুন জ্ঞানতাব লাইরিক হৈব অতনব শাহুন থোরকই—।

পা ১ঃ—ঐন কাকম থোকপ কম মীঙোন্দ কাহনখিব, ইগান অচুম্ব থবক তৌরুবগি ট্রান্সফর—অরাপ্ন মকমদ, ইনাওন

খ্বাইদৈ মতিক চাৰ কেন্দিদেট ঐগবাক্ত খঙনৱৰ অদুবু-পবক হাপখিবন মীঙোন্দ্ৰ অসিনচিংব

পা ২ঃ—হূইন নোম্মগ ওক্ল মনা থাব হায়ৰ পাউরোসি কত্তব জাৎনি; মসিননি 'মীঙোন্দ" ময়াম শেম্মিব—ওইজ ওইথক, কান্নব অতো'ব, মাইপাকপ "মীঙোন্দ" ঙা'ক্ত থুংশ্রিব। "মীঙোন্দ" হায়ব ওকসিবু হাৎত্রিবমথৈ'দ সাম্যবাদ, মান্নরোল হায়বদু হিংগদব লৈত্রে। পুকচেল চাউরব মী কয়ান অমহুরোল, মান্নরোল, মীয়াম ঙাকলোন ফজরব ওইন্নব মনামশিং কয়া থারম্মি, থানৱি। মনা ময়োল চোংখৎপদ ঙায়ৱিবণ্ড ওক্ল পৎ পৎ থৎলগ চাথোকইবা। দোণ্ট থ্রো পারলস বিফোৱ স্বাইন মূন্দাবু ওক্ল মশক খঙব হৌনব্রাও?

পা ১ঃ—মুক্তানি লায়মন্থুন নোং তাব ৱাৎপদৈ চাক ৱাৎতোৱি কুমশি—, কমদৌসিগে—?

পা ২ঃ—ফৌ লৈব মকমদৈ য়েম্নরগ চাব তায় সাম্যবাদ মান্নরোল, চাক চাদব য়াদবঙাক্লি ঐস্থ নংস্থ মাস্থ—।

পা ঃ—লৌউব য়াওদব কেরানী বাবু, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার, আফিসার, পুলিশ, লাম্মী ঐখোয়বু লৌ-মীন চাক পীজনীংগদ্রাও?

পা ২ঃ—চাদব য়াদে — চামিন্নব তায়—। মান মান ওন্ন হৈব মথৌ তৌনব ঙাক্লি—। মথৌবু নিংথিন তৌবশিংদি চাক চাব ঙাবনি, পীজদব য়াদে—।

পা ১ঃ—কনাগি কৌনো য়াম্ম পৈরেদা —!

পা ৩ঃ—কৌওইবী লাইরেম্মসিগিনি।

পা ২ঃ—কৈদৌনবনো স্রুক য়াম্ম পৈরিবগিবো ?

পী ঃ—চানবনে ইবুংঙো—, কৌদৈ—চেং, চেংদৈ চাক; ঐথোয়দি চাক চায়য়ে।

পা ১ঃ—চাকপুদি ঐথোয়স্ম চায়নে।

পা ২ঃ—ঐথোয়ন চাব চাক্ল ওম্মোকপ য়াদৌব ওইরবদি খর হোনখিসিনে।

পা ১ঃ—হোন্দব য়াদে, চাক তাংলবনে।

মকি তাথৎ, বোরা হৌন্দৌবৈ লাক্রবি অনীচ। পা ৩ থমদি পীন ওক্ল য়েংলম্বদৈ—

পা ৩ঃ—মপু তক্লন পুদৌবৈ লাক্রবিবজুবু—করিনো ?

পা ২ঃ—করিনো অচাপোৎ চাদব য়াদববু মপু নাইনব—হৌনব্রাও ? চাদব য়াদবনে—চাক্তি ?

পা ৩ঃ—রান উব লোদগি থোকপ ফোনে, লৌউনীংদব মীদি চাক নত্তব অতৈ চাবিও।

পা ১ঃ—মপুবু কনানো ?

পী —ঐনে, মপুদে।

পা ১ঃ—চাক চাব মীন চাক চাগে হায়বদ ইমেম্মনা য়াবিদ্রিববু করিগিনো ?

পা ২ঃ—ইবেম্মবু কি, রোল লিক কোল লৈতেং পাম্বিব্রাও ? জীপ কার তোংবিনীংব্রাও ? স্কুটরগি মনীংদ নপ্পিনীংব্রাও ? শয়াং রাই রাই থাদোক, মুগা ইন্নফিন ক্রে ক্রে মুংশিংত মরোল লোন্দুন

পী :—অদোমখোয়বু কনা কনানো ?

পা ১ঃ—নিপা ঙাক্তনে, মাগুম্ব (পা ৩ দ)—

পা ২ঃ—পা হায়দুবু ডাক্তর, ইঞ্জিনীয়ার, উকীল, ওজা, দোকান্দার, বাবু ভায়া ঙাক্তে— দলালদ লৈব পাম্বিদ্রাও ? কার তোংবিনী দ্রাও, সনা লুপা ফিগে পাম্বিদ্রাও ?

পী :—পাম্মে।

পা ২ঃ—অদুদি ফোগ কার দলাল লিক কোলগ, পূম্ন লৈমিম্নবদ করি কায়বগে ?

পী :—ঐ অমুক্ত হংজখিগে— ঐগি নিপাসিদ। য়েংওই নিপা, খর মুংঙাইন পুন্সিসি লেন্সি হায়ববু করি হায়বগে ?

পা ৩ঃ—ঐগিদি নংন য়ারগ লোইরে।

পী :—পূম্ন লৈমিম্নব হাযববু করম করম হায়ন পান্দোরিব য়ুম্বাম্নো ? থংনরকপা চৈনরকপ জাংলাও ?

পা ১ঃ—ঐখোয় খংনব হৈব মী নত্তে চাম্নব হৈবজাংনি মুং-ঙাইন পানব পাম্ব মীশক ঙাক্তনি।

পী :—ঐগিদি নিপাসে (৩ দ) থাদোক্নব য়াদব থম্নাইগুম্বনে।

পা ২ঃ—থাদোক্লদোব নত্তে, পূনশিনব— ইমানীম্ব য়াওন অমত্ত ওইর্বাগ রানি অমত্তরোল !

পা ১ঃ—লম্বীসি কার জীপ চৎপ য়ানব ইঞ্জিনীয়ারবু শেমহন-গনি, দলাল শ হনগনি ঐখোয়ন লৈনব, অনা অয়েক তৌরগ লাইয়েংনব ডক্তরনি ঐ, কজ কজরব পোৎ ফিরোল – সনা মণি মুক্তা য়োনব দোকান্দারনি মহাক।

পী :—আফিক্ত কাব মকম চাউব সেক্রেটারীগদি য়াওব্রাও ?

পা ২ঃ—ঐহাক সেক্রেটারীনি, দোকানশিংহুদি মীবু কমহনবনি।

পা ১ঃ—মরূপ (পা ৩ দ), ঐখোয় অহুম পুম্ন দুপীসি লৌহুন য়ুম পা-মিম্নরবদি পুকচেল পিরুব য়াদে। সাম্যবাদ হা'য়বদি মাম্নরোল ডাক্ক চৎনগদবনি। থবক তম্নব নৈং-থোক্নব য়াদে।

পা ৩ঃ—ঐদি থবক নৈথোকপ হৈব মী নত্তে, মী কয়ান চানব লৌ উম্নিব পুকচেল চাউব নিপ'নি।

পা ১ঃ—গুদ, অহুদি পোৎচৈ কৌ চেংশিংসি য়ুমদ হোজিল্লগ টাউন্দ চৎলুসি নতিকচাব ফিরোল নৈরুসি, থবক অম খিরগ নম্ভু আফিস কাও।

পা ৩ঃ—ঐবু বাবু ওইব য়াগব্রাও ? ঐদি লৌমীনি।

পা ১ঃ—লৌ শূদব অশংব মতমদ তৌব য়াব থবক খিরুসি।

(মখোয় ৪ মু পোং লোইশিনমিন্নে লাইর থাংপোক। গুহাক পোথানৈ বাহুন)

পা ২ঃ—মতম মাংহন্দুনা কান্নদে য়ুম্নান ফগৎনব টাউন্দ চৎসি থবক তৌরুসি, ওহজ ওইথক খিরুসি।

পী :—ঐদি ?

পা ২:—নংন য়ুম শংব, য়ুম পুব চান থরুব থোংব থাকপ—

(অহুমতু চংখি, পীন ভণ্ডক ভণ্ডক নৈহৌই মখুৎ থাজৎ মক্ষন পী। থর চৎলগ পা ২ না নৈহৌনীংহুন)

ঐদি গুসি হকচাংসি কয়া মুণ্ডাইতে, ছুটিগি চেসি নখোয় আফিক্ত থর পীরম্মু।

পা ১ঃ—চানব থক্নব শিল লাংলম্মু তন্দুন লৈখোকপদি য়াদেকো।

পা ২ঃ—ঐহাক সাম্যবাদ পাম্ব 'নপানি, ঐহাক সমাজন পামদব অরেম্ব পোৎলুম থক ওইরোই।

[লৈহৌই, অনীদ্ধ চৎখি]

পী :—কৈদৌরে আফিস কাদ্রবদি ?

পা ২ঃ—নংবু মুংশিবগি পোৎলুম্ব লুম্মনখিবন ইখোঙ থাংব ব্বারে দেবী, ঙসিদি ননাক্তগি হেন্দোকপ ওম্মরোই।

পী :—অনী.ন তাগ্রগ উগ্রগ করি হায়দগে ? শীঙ থায়রো চাক থোঙ্গৎলগে ঐ।

পা ২ঃ—ঙহাক্নদি ঙাইখো শকনৌবী, ইমীৎসিবু পেম্ব অমুক্ত য়েংহনখিগে।

(পা ১ পরপ পরপ কল্লকলগ)

পা ১ঃ—করিনো তৌরিবদ্ধবো ? কান্নব থবক্তি তৌগে হায়দন ব্বারেম্ব লৈবাকি পোথো'ক হেঙ্গৎকদ্রাও ? মী থুদিংমক মাগি মাগি মথৌ চপ চান তৌনব পাম্মি।

পা ২ঃ—ৎকচাং ঙমদদুন ঙহাক্তং পোথারম্মি— করিনো শীঙ থায়ব ব্বাগ্রে।

পা ১ঃ—চাক লোইরব্রা ঐ চাক চারগে মুপী ?

পী :—করিনো শীঙন শীঙ চাক্তবনে, অঙাংন নিংঙাই ফত্তবনে চফু শীব ঙমদ্রে ঙহাক লৈতন কৌবদা।

পা ১ঃ—হায় অঙাং নিংঙাই ফত্তব, হৌগৎল্ল ব্বা হায়গে।

পা ২ঃ—করিনো. হকচাং ওমদে হায়রগ থাজদমানে [তম্ন হৌ-গংলি] —সাম্যবাদ পাব্রবদি থাজনব তাবনে।

পা ১ঃ—উম, থাজনগদবনি। নিপা অমত্তু মীয়াম মরক্ত মাং-হৌরে, পরপ পরপ চংহুন অমুক্ত থিরু। চংলো।

[তন্দে মান্দে তুং হম্ম য়েং য়েদুন চংখি]

মুপী! সিদ লাও ব্লা হায়গে।

পী :—চাক থোংলিবনে করিগিনো?

পা ১ঃ—অসাই স্নক কুইররবু লোংগেদি হায়দন হুজিক্ত করিগি থোংদৌরিবনো? থোংউম্নু সিদ লাও, ব্রারীত্রম শা'স।

পী :—করি ব্রারীনো?

পা ১ :—নংন যন্ত্রবদি ঐ'থায় যুম্বান্সি চাউখংপ ওম্মেইদৌরি। নং মীচং মীথায় নায়নু। পুকচেল শেংব ত য়, মী অতৈ-বুস্থ পুকচেল শেংনব তম্বিব তায়।

পী :—মীসি মীন শেম্ব য়াদে, মশান ব্রারকচদব য়াদে নংগুম্ব লৈথে ক্কনব মীসি অহুমগি মনুংদ অনী হেক্ত য়াওরকই।

পা ১ঃ—মত্তু নংননি থব'তৈ লৈথোক্লগ ননাক্ত লাকপ মীবু নংন লুন তৌবননি।

পী :—পী ঐবু নীংহুন লুন তৌরব পা অমবু পী ঐন লাই-থোকপ ওমদবনে।

পা ১ঃ—অতুদনে লৈবাক্ল কাংথোং চায়ব্লিবসে, মুংশিহৈ।

পী :—পাসি অফবনি ফত্তবনি. মহুক শেংবনি শেংদবনি করম্ব খঙদগে? মত্তু পুথোক্তি, মখৈদি লৈবাক্সি চাউথংপ য়া-রোইয়ে ইবুংঙো।

পা ১ঃ—তৌরকপ থবক্তি খঙদ্রো— মরমচৎতৈ মচীন্দু থাজকনো খোঙহী তৈশিন্নবনে। পাঙ্গল, লৌশিংগ, পুকচেল শেংব মরম ওকপগ পুন্নগ অমুক্তং মুংঙাইন হিংব য়াত্রা য়েংসে। পোকপদসু অয়োো ইমা— হঙা হঙা হায়দুন পোকলে, শিবদসু অয়োা ইমা হায়দুন শিরে। মরক্তি মীৎকুপ থরসিসু ইমাদ লাওদুন লৈরত্রা ঐখোয়বো ?

পী ঃ—থবক চৎকনি হায়দুন চৎখ্রগ কৈদোন হল্লকইবা ?

পা ১ঃ—নংবু মী য়াল তাম্বিগে হায়দুন লাকইবনে।

[পা ২ পয়প পয়প চেল্লরগ]

পা ২ঃ— কান্নব থবক্তি তৌগে হায়দন কৈদোরিবনো ?

পা ১ঃ— নংন থিব চৎনুব অমত্তুদি ফংলক্ত্রবাও ?

পা ২ঃ— নংন মা হল্লগ ঐন থিব খঙব হৌনব্রাড ? নং চৎলগ থিক চৎলো। ঐ থবক নাম্নমগ, য়ারেম ঙাংদুন লৈবগ কনি ওইজবগে ?

পা ১ঃ—হয়া। মান অচুম্ব শাপ্তা ঐহোন্দ বাবক্লরিনে ? লেকচব তৌরিংনে, লাইথিক তাম্বিবনে চাউখংনব—

[পা ৩ লাক্লগ তফিং তফিং]

পা ৩ঃ—ঐ যাম্ন তল্লেবো. চাউখৎলবা অহৈ অশিংসা।

পী ঃ— কৈদে ববগে ? মরম অদুক ওবপ নংন টাউন উকরগ তল্লকইবো ?

পা ৩ঃ—টাউনগি মী অয়াম্বদি পুকচেল শেংন থবক শূরগ মুংঙাইথৎপ পামদে মী ১০ গি মসু দ ৯ দি উতাংলী— মখোয়গুম্ব মীগ তিন্নরগ মুংঙাইব হেক্সৎনি হায়বসি ঐ

খাজদ্রে। নখোয়নীবু কাম্নব থবক্তি চৎতন ছুটি লৌরগ ঙ্খুমদ মুপী অঙাংগ পাকফোং চন্নদুন লৈরম্মিবসি লৈবাক্কি করি কাম্নদৌরিবনো? মতুন য়ুম্বান ফগৎকদ্রাও? থায়-নরসিরাও ঐখোয় মরী? য়ৈনশুনব পামদ্রাও?

(থমকা তৌদুন কিন পী'হুন চংশিল্লি, অনৌহুন পীগি মতুংদ লোংলি।)

পী :—তপথখো অথৌব, মখোয়সি ময়োশিং লৈথ মহৈ হৈব পা ঙাক্তনি পাঙ্গল ফব নংগ মখোয়গ তিন্নরগ লিং-জেল মাম্নরবদি লৈবাক্কি কাম্নব য়াই।

পা ৩:—মখোয়সিগ তিন্নবসি খোইদোদি য়াম লংখৎপজাৎনি অদুবু নংন খাম্মবনিন শাওরয়োই।

পা ২:—শাওগম্ব অথৌব থম্ব, জ্ঞান তানসি। (মখুৎ নোইবি)

পা ১:—কোক্র থবক শূব, খুৎন শূব খোওন শূব পুম্নমক য়ুম্বান ফগদ্রে; তলব চাবস্থ চাদবস্থ অনংব লাইরব ঙাক্ত। থরদন মুংঙাইরগ মী অয়াম্বন ন লিবসিবু কোক্রব পাম্নে লৈররোইদ্রাও?

পা ৩:—কৈদৌরগ ফগদগে? হোঙব নংন হোংবদ পাম্মি—নখোয়নীন পাম্মিনবু ফোওইবী'স হূরগ পুদুন চৎখিদ্রাও?

পা ১:—নস্তে তপথখো মরূপ থম্ব।

গেটঙা পণ্ডিত অমদি মাইচৌ লাকই, মখুৎন দুরবীন পাহুন মী ঙহাক .য় লথ'দ।

মাইঃ— মাইকৈ অসোয়গি মুংশিরব প্রজাশা। লৈ'াক চাউখৎ-নব, মুম্বান ফগৎনব মসুংলোমদৈ পণ্ডিত অম থোরকই। মহাক তায়রগ প্রজাপুম্ব মুংঙাইখৎনব থৌরম অম পাংসি, মুগ্রাইদ লাকপিয়ু। [মরীন ২দুবু ওকই]

প ১ঃ—চ'বিরকসি পণ্ডিত, করি পাম্বেন ঐখোয়বু ফিভম ফগৎ-কদগে থর তকপিযু। ঐখোযসু মু'ঙাইব হেক্সৎনব লম্বী থিজরম্মি'নি, কুম অমদৈ কুম অমন ৎর ফগদ্রা হায়-রগ ন'থবদ হেল্লি— চহি থরগি তু দ করি থোক্লদগে খনবদ জ্ঞান মমদুন লৈজরমিবনি।

পণ্ডিঃ—মাইচৌ, লৈবাকসিগি মমিংবু মণিপুর হায়ব নত্রাও ?

মাইঃ— মানি পণ্ডিত মণিপুরনি।

পণ্ডিঃ—মণি লৈব লমবু মণিপুর কৌই। মণিদু কদায়দ চৎপ্রে, মণিদু মাংখিবন মণিপুর নংবনি। মণিদু মাংহন্দ্রবদি লৈবাক্তি কায়নব শিক্তিয়রবদি মণিপুর মচ করি'গি শেৎপ চাব রাৎকনি, মুম্বাল ফগৎলোই ?

পী ঃ—কদায়দৈ মণিনো ইপু ?

মাইঃ— অদুদৈগী বভ্রুবাহন মপাবুং অর্জ্জুনগি থরাই কনব পা-তালদৈ মণি লৌরুই হায়। মহাদেবনসু শ্রীকৃষ্ণগি রাস শায়বদ মণিন থাংমৈ ওইন থানখি।

পা ১ঃ—মণিহ হুজিক কদায়দ লৈরমদগে ?

পণ্ডিঃ—থাইনগি নিংথৌশিংন মথং মথং পীনরকুন হুজিক লৈবাক ঙাকইবশিংন পায়নরম্ব মাই।

মাইঃ— মখোয় অঙম্ব থরদি মণিদু পায়বন নোংম নোংমৈ মুং-
ঙাইখৎলি, প্রজাশিংন নোংম নোংমগি নংথরকই।

পা ২ঃ—অদুবু কৈদোরগ ফগদগে ?

পণ্ডিঃ—দরখাস্ত অম থাকুব তায় অঙম্বদঃ লৈবাক্কি মণিদু মরম্মাই
মুংঙাইনব শিজিন্নবিরনু প্রজাশিং মুংঙাইনব শিজিন্নবিয়ু।
সহি অমমম তৌশিল্লু চে অসিদা।

পা ১ঃ—করিগুম্ব থারক্লবদি কমদৌবা অকল ?

পণ্ডিঃ—নখোয়ন ভোট থাদরগ কাখিব অঙম্বশিং নত্রাও ? ঐখোয়-
গি ফনব মণিদু শিজিন্নবিদ্রবদি ঐখোয় ময়ামগি ভোট হ
হন্দোকপিরো হায়কুরগ লোইরে।

প ১ঃ—মদু কৈ, ময়াম সহি তৌনরো— চৎসি দরখাস্ত থাকুসি
[সহি তৌই ৪ মক]

মাইঃ— মণিপুর'গি মণি — (খুম্ব) মাংফদে।
মণিগি লৈবাক — ,, নংফদে।
[টাউন লম্বীদ মীগামন্থ লাওতুন চৎখি]

(গেট্টগি অঙম্ব চংলকই মতুংদ পাম্বোম ইল্লকই)

অঙম্বঃ অতৈ পুম্নমক অরাইবনি পাম্বোম, শেলন খাইদৈ অথোই-
বনি। মিংচৎ, ধর্ম্মনীতি, রাজনীতি, মকপ মপাং, ভোটর,
মখোয়সি মতম মতমগি পাম্বৈনি শেলদমি মতমপুম্বদ
কাম্নব শেলন পুম্নমক ফংই।

পামঃ— অশেংবনি অঙম্ব ইবুংঙো। শেল পীরদব কেন্দিদেট
থবক ফংহল্লদে, মফম কাথৎহন্দে, শেল য়াওদন থারব
দরখাস্ত অরেম্ব চেজেৎনি।

অঙম্বঃ—তাইবং মীগি হয়েং তম্ব ঙমদে, লৌ-শীঙ, দোকান প্লোট মরীমত্তা শোইদব থন্দুন মথিং পানবিহৌ।

পামঃ— ইবেম্ম অপাম্বীগি লৌনৌদ্রু পাট্টা তাহনজগ্রে। মৌপ্রা অমনে মম্না অমনে থবক অমমম তৌহনগ্রে। দোকান প্লোট অমস্ত্র মীঙোন্দে শংলগ মঙোন্দ পাল্লনি।

অঙম্বঃ— গূড, অপাম্বীদ পীরিব থুদোংচাৎশিংদু মী অতৈদ তাহনব য়াদে। কনফিডেন্সিয়েলনি, য়াণীন তাগ্রবদি ব্রা থোক্লে থঙঙ্‌।

পামঃ— অঙম্ব ইবুংঙো ঐ চেকশিন্দ্রব নিপা নচ্চদে। ঐখোয়গি কাংবু উশিত্তব, হুনব মীশক থর নৈরে, মথোয়দুবু মহিক চান ব্র রকপ পামজে।

অঙম্বঃ— মহুদি তৌগদবমক্রি। য়েক্লব পূম্ববু নৈখা তানব তৌগদবনি। ইতিক নৈব ঐখোয়বু উশিত্তবশিংদ মতিক মতিক চাব পারা তম্বিগদবনি করিগুম্ব পাম্বেন ঐখোয়বু থাদব হুম্ববশিংবু লাক্লগদবনি। ঐখোয়গি মীচংশিংদ থর থরদ ওইরবস্থ ওইজ ওইথক থুংগদবনি। হুংঙাইনে হা! তৌব ঙম্ব ইতিক নৈব হায়বসি।

পামঃ— ইলেক্সন্দ ঐখোয় কাংবুন অহু অদা পাংথোকনি শেংনচানব ব্রাংহল্লোই হায়বদু কাউদব অপঙব মী য়ামগ্রে।

অঙম্বঃ—লাওব হৌনবগি চীন্দ থোকপ পংলাও লাওবহুবু ব্রা ওইন লৌরবদি থবক শূনিংদব ব্রান্নেম ঙাংব মী হায়হুনি।

পাম্নঃ— ৱায়েম ঙাংব, মুংশিখিত্রব, তে কঙা শন্দোকপ মী থম্ন লৈরিয়ে, ঐখোয়ন থবক হাপ্লদ লোম্ন চাব শেল, মীচং খোম্বদ তিংখিব শেল মশীং কাওব চপ চান থঙবজাং মখোয়দু কানব ফংফং, আইন অমত্তুং শেম্ন য়ারবদি পেনগ্রনিদা।

অঙম্বঃ—তুংগ ফিরেপ অম চানব মরীমতা ইমুং মমুংগি লন-থুম চাউখংলম্বব হোংনবদ লৈবাক্কি অঙম্বনি হায়ব কাউরবনিনে পাম্বেম।

(অহনবী কেন্দ শেৎ চায়গ শাওরংনন ফিফি কামহুন লাকই গেটলোমদৈ)

অহনঃ—ঐখোয়গি অঙম্ব লৈত্রাও ?

পাম্নঃ— লেংশিনবিরকসি ইতৈম ইবেম্ম নত্রাও ?

অহনঃ—ঐন থবক অমত্তুং— মীগি লুহোংব চৎলুগে হায়রবদি গাড়ী শংদে, আফিসকি কারদ ইমুংগি মী অতৈন তোংব য়াদে হায়বতুন, কঁরিগি ঙসি নহাক্কি অপাম্বী অচানবীন আফিসকি কার তোংলগ লুহাংব মফমদ লাকহল্লি ?

অঙম্বঃ—নেমন য়া ঙাংউ অহনবী, মী অতৈ তাথিনি. তপাথো ফম্মগ ঙাংনসি। [ফমহল্লি]

অহনঃ—ঐ ফম্মিংদে অপাম্বীগি ফম্ফমত্রু।

অঙম্বঃ—পাম্বোম, চা কপ ২৩ দং লৌহল্লু। মী অতৈ চংহল-লক্লগু নহাক হেক্ক পুরক্কউ।

প মঃ— য়াম ফনি অঙম্ব। (খর চংখিবদ)

অঙম্বঃ—ঙাইখো, অকোইবসিদ মী মতৈ নাকোং অতৈ লৈহন-
গন্নুকো।

অহনঃ—অতৈ তাম্থোক্কে হায়বদি তাম্থোকখো, হৈনৌ মখোঙদ
ফমহৌগী অপাম্বীদুদি তাম্থোকখিন্নুকো।

অঙম্বঃ—অপাম্বী! কৈদোব লাকইবা মাদি?

অহনঃ—ঐন পুয়কপনি ব্রাক্ফংনগে হায়দুন।

অঙম্বঃ—অহনবী নংবু ঙাওরব্রাও? মল্লবীরাও? ঐনদি নংবু
হন্দুন্দ লৈবীনি থল্লি— অদুগ নংন আফিসসিদ ঐবু
ইকাইব পীগে লাক্লরিবা?

অহনঃ—অঙম্ববু ইকাইব পীব ইত্তিক নচ্চদ। ইথরাই চাক-
ইবসি কোক্লব ব্রা শেংদোক্লগে লাকচবনি।

অঙম্বঃ—শেল থোক্লগ, ইত্তিক লৈব অঙম্ব ওইরগ মুংঙাইগব্রা
হায়ববু— করিনো ঐন মুংঙাইরিব মমুংঙাইসিবো?

অহনঃ—ঐন ইপামদ চৎখ্রগ অমদু পু পুদুন টুরদ লেংবিয়ো
—ঐগি শেংদোকপীয়ো। [হিক হিক কপই]

(পা৩ চাপ্রাসী ওইন চা অনী পীরৈ। অপাম্বীমু কেন
চংলকই)

অঙম্বঃ—নং কনানো?

পা ৩ঃ—হন্দক কাজব চাপ্রাসী।

অঙম্বঃ—নমিংদি?

পা ৩ঃ—কৌবোং ৫০।

অপাঃ—নমস্তে! মন্ত্রী সাহেব, নমস্তে মন্ত্রীদ ওংবী।!

অহনঃ—খম্মু অপাম্বী, মন্ত্রীগি অচানবী। ঐ নহাক ব্রাফংনগে ঙাইরম্মিবনি। অহেম!

অপাঃ—করি ব্রানো?

অহনঃ—নখৌনা লৈন খুম্মু, চেন্নসুসি ব্রা কোইথোক্কনবা।

অপাঃ—উকৌলগ উকীলগ লেপ্পবদ কিবগি ব্রাকম লৈ;তে। ইথৌনা লৈতন স্নুক চাউব কেশত লেপ্পরোই।

অহনঃ—ঐখোয়গি মন্ত্রীসি নংগি ওইরে হায়ন তারে, অচুম্ব নত্রা?

অপাঃ—মশাদ হায় হংখো, ঐন হায়রগ থাজদব য়াই। মীন ঙাংনরিব ব্রাচু ঐদি সুংঙাইরিবনি। ঐগি নত্তে হায়রগ অদোম্মু হরাউবিগত্রাও?

অহনঃ—নঙোন্দনি ঐন হংলিবসি, নংন অপাম্ব লখুসীদ খুম্মু।

অপাঃ—মণিপুরদ লৈব মতিক মগুণ লৈব, মশক মতৌ ফজব মখৈ ঐগি ঙাক্কনি। মদুদ নখোয়গি মন্ত্রীম্ব য়াওরম্ব য়াই।

অঙম্বঃ ঐগি ইফমসি মীন কল্লক্লদুন ইনথুনব অহিং সুংথিল অরেপ্প নাইদন হোংনরিঙৈসি নখোয়নীন অচংব ঐবু য়ুবীরাকপী শাঙ্কবদৌন লাক্করিববু করি কাঙ্করিবগে? নখোয়নীন ঙাক্লৌ ওইদুন ঐবু তুহন্দনব হোংনবন ফত্রাও?

অহনঃ—ঐদি নহাক তুরবদি কলক পেম্নি, নচৎ চুমদবগি।

অপামঃ—ঐদি মন্ত্রী ওইহৌব নিপাদু থুদুম চম্নব লাক্লনি। মন্ত্রীন লৌব মুপ্পাসি ম্রাম্ন পঙগল্লি, লক্লব মুংঙাই।

অহনঃ—অঙম্ব ইবুংঙো, নরা শেংউঃ ইমানীগি মরক্ত করম্ব থঙ্কোরগ করম্ববু থাম্লনবিদগে—? লৈবাক্কি অঙম্বন অনি লোনব য়াদে। ইমানী হুজিক ৱা ৱা লাওন ঙনররদি অঙম্ব চোপ্তুন তোক্কনি। অহেম!

অপাঃ—খৎনব হৌরক্কনু হৈন্দে, ঐন হৈজবসি চাম্নবদনি।

অঙম্বঃ—অহনবী, মীয়াম মমাংদ ৱা ৱা লাওদু নচা পাখঙ লৈশাবী কারবশিংদুন তারগ করি হায়গদগে? নংবু ঙাওরক্রাও? অরেম্বদ নকোক শাদোবৈ শরুক শেল তালো, নরল লৈন্দৌনব নরৌশিং শিঙ্জিন্নৌও।

অহনঃ—ইথন্দ ঙায়রগ লন লৈনবনে ঐন থিগৎলিবসে।

অপাঃ—মদুদি লৈবাক্কি অঙম্ব ওইহন্দ্রে, নরম্নাইগি তারে ইবেম্মা। মবুকচেল চাউব ফত্তব নত্তেয়ে— লৈবাক্কি মীদি। মুপী ময়ামগি নিপা—মুংশি হৈব।

অহনঃ—লৈবাক্কি অঙম্ববু মবুক য়াংব হৌনব্রাও হৈশিংবী?

অপাঃ—থাইনগি মুপী নংন খঙপোৎ নত্তেদা মতমগি ঈন্নাং।

[মপান্দ মীয়াম্ন লাওব তায়]

মণিপুরগি মণি—? মাংখ্রে। (খুম্ব)

মণিগি লৈবাক—? মংখ্রে। „

অঙম্বঃ—পুলিশ, পুলিশ।

(পাম্বোম পুলিশ কাবক কাবক শাবব পা ১, ২, ৩, বু পুরগ মন্ত্রীদ সালাম তৌরে)

পামঃ— ননাইশিং সত্যাগ্রহ আন্দোলন লাকই অঙম।

অঙম্বঃ—চৎলু গেট্ট নখোয় খর ঙাকউ। হায়, খরন নৈহৌ, ইনাক্ত। নখোয়নী চৎহৌরো কোয় ৱাড্ডু ঙাংনসি, কনা কনানো খর মখোয়নীসি থিন্দোকউ। পাম্বোম নং, মপান খোক্লগ আন্দোলনকারীগি লু'চিংব খরদ চং-হনকউ। নখোয়নী চৎলোনহায়।

অহনঃ—ঐদি চৎলোই কুমৈ য়েংথিনি—ইমীৎ পেয়।

অঙম্বঃ—ঐন ইকম তারবদি নহাক লৌকুমদুন চানি, চক্রীগি ৱাই খপুন হিংনি ?

অহনঃ—চক্রী মপু মহাজনদুদ য়ুম হেক পালগ লোইরে।

অঙম্বঃ—অপাম্বী নংসু চৎখিবন ফত্রাও ?

অপাঃ—খাবল চোংভমদসু মোংভমদসু নতুং ইঙ্গদবী সতীনি।

অহনঃ—অহেম !

[অঙম্ব হঙ্গৎ হন্দা জ্ঞান মাংদুন চৎলি]

অঙম্বঃ—হায়! ঐবু শেয়ব অমত্ত নৈত্রবনে নখোয়বো ?

পামঃ—(চেন্নক্লগ) মী য়ামগ্রেদা অঙম্ব, লৌমী শিন্মী, মখুৎ হৈব শলাই ৭ কি মী চিপ্পত্রে, পানা ৪ গি মী পুক্লে।

[মীনিন তায় মপান্দ]

অঙম্বঃ—করি ৱাখোক্কিনি হায়বগে ? মবুক খন্দবৈয়া ?

পাম্বোম—মবুক্তগি নপ্তে, মশা কুপ্পব কিরোল, মকোক খম্বব মুখ-
মুম্বান সুংঙাইনবগিসু মমিৎ মনাকোং শেম্মবসু।

অঙম্ব :—লুচীংব অম অনীদ চংহল্লকউ, অতৈ লাকহনগসু মশীং
য়াম্ব—হৈনদে। [পাম্বোম চৎখি]

অহনবী :—মুপী দি মশীং য়াম্বি নীংইদো—? অহেম—

অপাম্বী :—জৈ রাম, হরে কৃষ্ণ! হনুমান ঠাকুর—।

(পাম্বোম, মাইচৌ, পণ্ডিত, দারোগা শাব পা ১, ২, ৩ চংলকই, নমস্তে তৌনৈ)।

অঙম্ব :—করিনো নখোয়ন পাম্মিববো লুচিংবশা? [কপ্পো]

(অনীদু কমহল্লি, অঙম্ব কম্মি অপাম্বীন লেপ্পুন হুমাই হুম্মি অঙম্বদ, অহনবীন অপাম্বীদ হুম্মি। পাম্বোম মতেং পাংই বা খম্ববদ—দারোগাশিংন মী ঙাকই)

মাইচৌ :—ননাই ঐখোয় দরখাস্ত অমতং কচ্চগে লাকপনি।

অঙম্ব :—মরোলদু পায়কউ—।

মাইচৌ [চেদগি পায়] : লৈবাক পুব অঙম্বা! মণিপুর মণি লৈব লৈবাক্নি, শেৎপ চাব য়াৎকদে। হুজিক মীয়াম্ব য়ানয়িব নংনরিবসি মনি মাংহনখিবননি। মনিদু লোৎ-পিসু, পুখোকপিয়কউ লৈবাক্কি সুংঙাইনব শিজিন্নবিয়ু।

অঙম্ব—ঐদি মণি লোৎতে, মাংহনদে—। লৈবাক্কি সুংঙাইনবদি কম লাক্লরি। অহিং অমদ চেংচাক হোংহনব য়াদে—। লৈবাক্ক য়ানব উবদ ঐ ইশামক নোংমেদ চরা অমত্ত চাজরিবনি।

অপাম্বী:—অশেংবনি।

অহনবী:—অহেম।

পাম্বোম:—ঐখোয়গি সরকার সিদি মণি পায়দে, বভ্রুবাহন লৌরুব মনিকাদু ঐখোয়দ শিন্নরমদে।

অঙম্ব:—মহাদেবনম্ন মণি থনমদে—থ'জবিরুম্ন প্রজাশা।

পণ্ডিত:—নিংথৌরোল কয়া থিগৎতুন য়েংনবে, লৈবাক ঙাকপ ইবুংঙোশিংন চাকহোং ঙাহোংহনব ওম্ব মণিদু মথং মথং খুথাং শিন্নরকপ ভায়। মণিদু মাংথিদুন নভ্রগ মণিদুন প্রজাশিংগি কান্নব শিজিন্নদবদগি লৈবাক মীয়াম নং-নবনি। মণিদু পুথোকপিরকউ।

অঙম্ব:—মণিদু ঐগি সরকারসিদি পায়দে থঙদে—। লৈবাক্কি মুংঙাইব হেক্সৎনখদি কয় লাক্লরি ইশামক থিৎত চা খিৎত শেং।

মাইচৌ:—অদুদি অঙম্বগি সরকারসিবু ঐথোয় প্রজাশিংন থাজব ঙমদ্রে। মণিপুরগি মণি—[খুম্ব] মাংহদে!

মণিগি লৈবাক— নংহদে!

মণি হুন্নানব সরকার— থাজদে!

লৈবাকপু নংহনব সরকার— তোকপিন্নো!

[ম্যায়োগাশিং অহনবীম্ন খুম্ব য়াওই]

অঙম্ব:—ঐখোয়ন কয় থাদোক্লগ লৈবাক মুংঙাইনি হায়বসি মীয়ামগি মোত ওইখিরব্রা?

ময়াম:—মানি, মানি। [খুৎ থাঙ্গৎনৈ—অপাম্বীস্ব কোম্ন খিৎতঃ থাঙ্গৎলি]

অঙম্ব:—ঐখোয় ঙসিদি থবক তোবলে সরকার ওইজদ্রে।

(অঙম্ব, পাম্বোম নিঙ্গ্রা স্তোম ভপ্ন চৎখি, অপাম্বী ভম্র ভম্র ভভুং ইশখি—হন্নম্ব যেংলম্মি)।

পণ্ডিত:—সরকারদি লৈতব য়াদে মথৎদ, লৈবাক ভাকপিনবা লোমী থম্ববু থাঙ্গৎচরি। [ময়াম খুবাক]

পী:—ঐন শোগৎচরি, মবুক শেংব লৈবাকমচানি ঐখংজৈ।

মাইচৌ:—ইতেং পাংনব সেক্রেটারীদি সুপীমচাবু থাঙ্গৎচরি।

অহনবী—ঐন সমর্থন তৌজরে। [খুবাক থৈনৈ]

পা ২:—অঙম্বগি পাম্বোম ওইনব ঐগি মরূপ লৌশিং চাউব হো বশিংবু থাঙ্গৎচরি। [খুবাক]

অহনবী:—ঐন সমর্থন তৌজরে।

পা ১:—ঐগি ইতেং পাংবিনব ইবেম্ম অহনবীবু অঙম্বী অম ওইনা হাপচনীংই।

পণ্ডিত:—ঐন সমর্থন তৌজরে। [খুবাক]

মাইচৌ:—লৈবাক পুবিদোরিব অঙম্ব অঙম্বী, অথোব অথোবা ৪ মক—খ্বাশক লৌবিরো।

(পা ১, পা ২, পীচা অমদি অহনবী লেপখৎলি অদুগ চপ মান্নন খ্বাশকই)

মাইচৌ:—মহাদেবগি শৈবাক্তি মহাদেবন সাক্ষী ওইবিসনু; লৈবাক্তি ফনব থবকতমক তৌজগনি; লৈবাক্তি অম্না অনং

কোকহনব ঙংত্রবদি, চহি সিগি অবোইবদ ইফম থাদোক্কনি।
[৪ না থুমই মচিৎ মচিৎ]

পণ্ডিত:—মণিপুরগি মণি থিগনি ; মণিদুন লৈবাকপুস্থ মুংঙাইহনগনি। [৪না থুমই মচিৎ মচিৎ]

খম্ব:—ঐগি সুংশিরব প্রজাশিং লৈবাক্কি মণি থিরুসি বারনীচীং কারগ। মণিদু ফংলগ লৈবাক্কি লৈত লায়রপুস্থ কোক্কনি।

অহনবী:—লৈবাকপু মুংঙাইহনব ঙমদ্রবদি ইফম ইরল লোইনমক থাদোকপ তায়। হায় ওইরম্ব অঙম্ব অমদি মাগি পাম্বোম মখোয়গি মরূপ মপাংদ মরী মতাদ থৈদোকখিব লন থুম পুন্ন লৈবাক্কি লন ওইনব মুনব তায়। [থুবাক]

পি:—মহুনি সরকারসিন ইহান হায় পায়খৎকদব থবক্তি।

খম্ব:—মদুন চুম্মি, বারনী কোম্ম কাসি। পুলিশ লাও হায়—।
[ময়াম চৎথি থোংগান লোমদ]

লাইর থাংপোক্ত অপাম্বী ফি অমনব লাইরবগি শেৎ অঙাং অম মনঙ্গন্দ পো, মকোক্ত কোকশেৎ অম শেৎ, অঙাং কপ্প থেম্ন থেম্ন য়াংকোক্র ক্লোরাম খপই। ইশৈম্থ ঙংই

অপাম্বী:—হায় তোম্ব হৌগৎলো, শুমিৎসি অা য়োক্লে। নমাম্নব মরম ওকপশিংদি অঙম অথৌ, মন্ত্রী পাম্বোম ওইনখ্রে। অতনব নখোয়বু চাক চাদব য়াগত্র'ও? হৌগৎলো থম্বৌ—, নখোয় তামোস্থ খর হৌদোকউ নহায়—চেংপাক শুরগ য়োম্নব ডেঙ্গী খর নেৎলো হায়মো—।
[ক্বৌ খপ্প খপ্প]

হা—ইমা—ইমাও
ঐস্থু লাক্কে ইমাও—!
নোং চুই লাক্কনু
ছা'তিন তুপত্ত মরাক্কে—।
লম্বেল নাম্লি লাক্কনু
চৈশু শুদন মরাক্কে ।
ঐন হয়েং চাউরগ
চাউর য়াঙ্গোন ফারগা
সজেনখোংগী খোংয়াইদা
শামু থক্ক তোংবদা
নোম্ব হায়ন চৎপদা
ইমা নংস্থু তোংহনগে ।

কপকনু নহায় করি অঙাংনো শিবো। হুম হুম, নপাবুং তাক্কুন য়ৈহল্লুরা নং—। ওঃ মখোয় পাবুং অঙাং লম হেল্লে।

অঙম্বঃ—(মমীৎ নোইদন হৌগৎলগ) অস্থুক লাংচুন তুম্ব থুম্নাই বসিবু কৈদৌরবগে মমা—? ওম্খোয়া মুঃঙাইরব মঙ অম মন্ত্রীকা ওইদুন মঙজরগ নমা নচান লাংবদ হেক কায়দা। করিগিনো ঙস্তা হৌদোকইববো ? তোম্বা—

অপাম্বীঃ—তোম্বদু লাইশ্রমদৈ ফৌ বোরা অমত্তং পুরুচো হায়দুন থাখি। অঙাংসি নঙ্গন্দ খোংগৎচরগে—অদুগ ডেঙ্গীসি ঙহাক্ক নেৎশিয়ো—। হোরেল থৈদেন্দ য়োম্বব চেংপাকস্থ মুগীস্থ লৈত্তেয়ে।

অঙম্বঃ—থম্বোতুন হুঁজিক ফাওব হল্লক্ত্রিবু করিগিনো? সত্য অঙাং অপিকপ চেনব পাপনিদ—ইমান্নবন মীরক তিল্লি রাজনীতি য়াওই—ঐন অঙাং পোরপ ডেঙ্গী নেংতুন লৈব তারবা—। [ফম্মগ মনঙ্গন ওম্থোকই, অঙাং থোঙ্গংলি অপাম্বীন তম্বি—হুম হুম......থরস্থ কুইন তূম্মু নহায় করি অঙাংনো?

(পা ২ না ফৌ যোরা অম মনঙ্গন্দ পুংগ লাকই যাম্ন রান মতৈ মনাওন ঙাংই চৈ—থৌদা তান্ন তাম্ন থাজল্লি—)

পা:—চাঙবা চাকয়াম চাব অদুক কুইত্রা ফৌ যোরা অম হোনবদ?

অঙম্বঃ—মসি শোইদন হো'টেলদ লৈবাককি বারেম ঙাংনব তাব য়াওরম্নি—। পরপ পরপ চংলু বিড়ি খর লৈরু, চাস্থ লোনথংলু ঐ চা থক্ত্রি।

অপাম্বীঃ—হায় থম্বৌ, শীঙ থায়য়ু—চেংপাক শুব তারি নখোঙদু থাংউ—। ইশিং বারটিল অনীদং লাকথংপু। ঙরাং তিঙলম্ব ফৌদু লৌথংলু—।

*অঙম্বঃ—তোম্ব নংদু ঙারেল হোদুন লৈরত্রা? ঐ চুরুট থক্কে চা চক্কে—। হোটেলদৈ কংঙোরা যোরার থরস্থ শোংলকউ—করিনো চংলো হায়বনি।

পাঃ—হায়গি অঙম অথৌ মন্ত্রীশিংদু শেল অরোনব য়াম্ন—ফুমলমক্রে হায়দা।

পাঃ—থবক চংলো হায়রগ অদুরাও—শীঙ কদায়?

পাঃ—হন্দক অনৌব ফাব মন্ত্রীশিংদি চীনদি মকৈ হায়ম্রে—থবক্তি থঙনদ্রি—। ঐদি থাজদে মখোয়দু

অঙম্বঃ—ইকে ঐবু ঙসি মাই তাদ্রিমানে। চাউবা, পৈয়া অমত্ত পীরকউ—ইশিং গ্লাস অমগ। হুম হুম কপকন্নু নহায় মমা মানবী !

পা ২ঃ—হন্দকি অনৌব ইলেক্সন্দা কারকপ অঙম অগৌশিংত্ত শেল কয়া তি নদ্রে হায়রি,—হাগ্নগিত্তবু তোক্লবদি হায়ত্তুন। খঙদ্রে, মখোয়ত্তুম্নু মী শেম্মদ্রা মী ওৎলদ্রা

অপাঃ—শাজো নংবু কৈদৌবগে খবর য়োন্দুন লৈরম্নুবা মতমসি থঙলৌরোই ইন্নুমথানি।

(পাখো হ'শং তোঙ্গি, শাঁঙ থায় ভাবন ঙাক্ত)

পা ২ঃ—নিপ স্মচা ওইন পোকপসিদি মন্ত্রী অমুক্তং কানব লাইবক য়ে কৈ— ।

অমাঃ—তোম্ব নং ঙ'সিদি খৈদেন্দ্র চেংপাক থারু, হল্লকপদ রাই বোরা অনীদং কোলদগি নিরগ পুরকউ—।

পা ২ঃ—ইফম অমুক্ত' চাউবিঙৈচুদ রাই কৈবদৌন নোট ১০ চৎপী ১০০ চৎ ত্রি চীংমুক রাংন পৈহৌব।

অঙদঃ—বারুনী চীংসি চহি থুদিংগি কাব ঃাদনব ইঞ্জিনিয়ারগি ট্রেক্টরবু ললাম্বুং মুকত রাংন তেমথে কহনব কৈ পঙঞ্জেদা লৈবাক অসে।

অপাঃ—লৈবাক ঃার ফবদ পোৎ থারবদদ কোবীফুলম্নু চাউন শাৎলি, গণতন্ত্রম্নু ইংলণ্ডগুম্ব আমেরিকাগুম্বদ নিংথিন হৌই—।

পা ২ঃ—ঐদি ইলেক্সনদ কাবগ মন্ত্রী ওইব ফংলবদি শেলসু চাজরোই, তলবসু লৌজরে ই—! ফিরাল খেৎপ কারগু তোংলগ য়েৎওই মাং তুংদ পুলিশন থৌগল তৌহল্লগ মুংশিরৈ খোয়গি হিঙ্গোলদ অমুক্ত থৌজনগে মপাবুংন খিংব কোম্বো॰দু পেদ্রেক তক খায়রগ। ঐখোয়গুম্বদ ভোট থাদগেদি হায়দেদো রাজসমু মীশক খগুদবশা।

অঙম্বঃ—হায় অঙাং মা, অঙাং তুমগ্রে শুম্মুরোসে। চাকসু থোংদোক্কউরো। ঐ সগরদ কাকগে, থম্বৌসি রাজনীতি পার্টি অমদ মমিং চনবিকগে মচীন কনগ্রে।

অপাম্বীঃ—ঙাংদমক—ঙাংব থবক্তি তৌদব পার্টিদ য়াওহল্লু।

[চংখি—"হুম হুম" অঙাং কোল্লগ]

পা ২ঃ—ত্থাধন মন্ত্রীগি মফম ১। ২ হাংলি হায়ন তায়, অমমুম ওইহোনব দরখাস্ত থাকসিনা?

অঙম্বঃ—রানোমক্রন হি॰ব লৈবক্ত ইফম চাউনীংদে তল্লি ঐদি য়াদ্রে য়াবিদব য়াদে ঙম্মরোই ঙম্বিদব য়াদে—অসিদ মতম মথৈ হাৎপন হঙ্গায় কোৱী ফদিগোম ফাওব তাংবনে

পা ২ঃ—ইবাইতোন লৈবাক মুংঙাইনব রা অমদি লৈরে—।

অঙম্বঃ—করি রানো উত খোইরা মবিবোপলা আন্দ্লা?

পা ১ঃ—ইবাই য়াইমা, মন্ত্রীগি তলথসি ওখা মচা নত্রগ কেরানী মচা অমগ মায়হল্লব—অদু ওইরবদি—নং ঐগুম্ব মতিকচাব মন্ত্রী অকব থোয়কনি।

অঙম্ব:—তাইবং মীন মকম চাউরগ ফব শায়বদুদি মুপীন সনা পামদে হায়রব মতমদ ওইগদ্রা—।

পা ২:—মায়রোল সাম্যবাদ হায়বদু আতয়াদৈ থাদরক্লবদি শেৎপ চাব ব্রাৎনরোই, মন্ত্রীগি ফম, অঙম্বগি চৌকি মুয়রোই। অঙম্ব কদায়বু কৌই খুডা ?

অঙম্ব:—খুম্ববু সগোল ওলহনব ঙম্ব, শামুবু উতৌপ ওলহনব ঙম্ব মীবু অঙম্ব কৌই—।

পা ২:—অচুগুপ মী লৈবাকসিদ য়োক্লবদবু প্রজা ময়ামী অব্রা অনং কোকপ হৌনব্রাও ?

অঙম্ব:—ককপ শোর ককল শোর—ব্রাবণগি মণ্ডকুম্বনে অঙম অথৌ মন্ত্রী হায়বসে। মখোয় লৈরিবমখে ব্রাদব লৈ-রোইদব, মখোয় লৈত্রগম্ব লৈবাক পানব য়াদবনিন ব্রাব তাব—।

পা ২:—পোকপস্থ ব্রাব, শিবস্থ ব্রাব—হিংবস্থ ব্রাব—!

[পোৎ লোইশিল্লগ চংখি]

(লম্বীদ লাকই মাইচৌ, পণ্ডিত অমদি পাম্বোম ব্রাবী শাদুন ব্রাৎলদ লুপপগ)

মাইচৌ:—থনবু থম্বুকরবদি তাইবং মী অব্রাবৈ অব্রাব ঙাক্লনে।

পাম্বোম:—থন্দবস্থ য়াদবনে, অব্রাবস্থ পামদবনে। মরম অদুন পোকপৈ হয়াউনব ষষ্ঠী পুজা ক্ষীর তল, শিবগি হয়াউনব ফোলা তল নাম সঙ্কীর্ত্তন, হিংলিডৈদ মুংঙাইনব লীলা কালা কাগী কুম্মৈ ফিহোং।

পণ্ডিত:—মদু পুম্নমক অরা অনা কুপ্নব পাউদর অঙৌব, কুচু অশেংবন অমুব অরাব।

মাইচৌ:—থক্ন শাফনব বৰ্ম্ম নীতি, থৰ্ম্মনীতি; ৺য়েং মপোক্ত সুংঙাইরুব, ৱারুব—ঈশ্বর অম থম্ন তাব তায়নফম শিম্নভম ওইনব—। পোৎ মাংখিব থিব খঙদ্রগ লাইন লৌগ্রে, কম্ন ঙমদ্রব কান্দ লাইগি নোংদম অসিন চিংব—।

পাম্বোমঃ—লাই হায়বতুন মশক উইন্দ্রে, ৱা হংব থুমদে, লাৎপদ শেলদমক তিংই, মবুক লুই তিম্নব সুংঙাইতে। লাই য়াওদন অরাব কোক্লব পুন্সিদু মাইচৌগ পণ্ডিতকন f বিব তায়—।

পণ্ডিতঃ—ঐখোয়ন মণি থিরিবসি অদুগিনিনে ঐবো—। মনিদু লৈরবদি — অৱাব ফন য়াম্ন কোক্লব শিঙ্গিম্নব য়াদৌবনি।

মাইচৌ:—মণপুরগি ইতিহাসত য়াওব নিংথৌশিংনদি তাকপ ঙমদ্রে মণি — লৈভম। ব্রিটিশন চৎথ্র’কান্দু মণিদু কনাদ পীরমদগে মথোম্নন পুথ্রব জাৎলা বিলাত্তা?

পণ্ডিতঃ—পুব য়ারোই, ৱাবন মঙককুম শৌব জাৎনি।

পাম্বোমঃ—মণিদু মচেৎ মচেৎ তাদুন মকুপ ওনথ্রগজাৎলা?

পণ্ডি:—অঙ্গেম অথৌশিংদি সুংঙাই ওথাক অয়াম্বনা, মথোম্নন লোৎলন্ধ তায় থলি।

পা মঃ—ময়ামগি ওইনব অদুদি মুনব তায় ইপু—

পণ্ডিতঃ—মাইচৌন অমুক্ত লাওথোকপিমু মাইকৈ শোমদ লৈব

প্রজাশিংগি অরা অনা, মুংঙাইত্তব পেন্দব, করি করি
লৈবগে হায়বদু ।

মাইচৌঃ—মাইকৈ অসোয়গি ইচিল্লাওশিং ! লৈবাক ঙাকপ অঙম্ব
অথৌব, মফম নাইব অচৌ অশাংশিংন শোইবদৈ,
প্রজাগি অরাব অনংব পেন্দব থোরকপশিংদু লৈবি-
রবদি খঙহনবিরো—পুম্ন দরখাস্ত অমদ থন্নাই চাকপ
র'রোল ময়ামদু পরেং লেংলগ পীরুগে, মঙক মঙক্ত
শিবিরুগে— ।

[পা ২ অমদি অঙম্ব পরপ পরপ চেল্লকই]

পা ২ঃ—ওঝাশিং লৈবাক্কি লুচিংবশিং, ননাই ঐথোয়ন পেন্দন
শাওনিংন লৈরিব নালিশ তৌনিংইব বারোলসিদি
য়ামগ্রেদ, বাকৎ উপু দা ভুংখৎতুন থম্ব চন্দ্রবনে।

পাম্বোমঃ—করি ক'রনো পেনবিদ্রিশিংবো ?

পা ২ঃ—পুখম তেঙ্গোৎতৈ চাক চেঙ্গাং লৌরগ চাবসি চাবসি
পুক থনফ ৎত্রিডৈ হেক্ত লোইথোকখি; চুরুট অম থকই
খঙহৌদে হেক্ত তেনশিল্লকই—; লৌজগে য়োকচরিব
থম্বাল মানখীত্র সরকারন কেক্লগ অমদ হেক্ত পীথোক-
পিখি; কংজব তারে হন্দক্কি কম মচাসিম'দ খোঙ্গ্রাই
নিক্তুন লৈজরবনি, অঙম্বশি'ন অমরোমদ নামজারি
দাক তৌখি— । করিনো ইমীৎত শেন্দাং মচা শেম্বাং
মচা ওইন উব—শিংদুদ, অঙম্বন মপাঙ্গল খিৎতং
হাপ্পিবদ খুমুপ্রং মকু কাকয়েল লংজা ওম্নদুন ইথক্ত

পাইরগ ইশন ফোইরিব ....য়ামখ্রেদা লোইব নাইরোই।

অঙস্বঃ—লৈবাক্কি নেতা ওইবিরিব ওঝা ইবুংঙোশিং—। মাইকৈ সোমগি প্রজা ননাই ঐখোয়না উজব তাজবদ পেংদবদি হুজিক পাল্লিব অঙস্বশিংগি খুজিল থোরাং খুৎসেমদ মীচং নাইব, ঐগি মীগি থায়ব থুংচৎসিনি থ্বাংদৈ ফত্রিবনি—থরন শরেং ঙক্রা য়ো চাব—থরন ফাবৌ ঙারৌগ চানব চাক ফ দব, লমন থুম্ব পাম্ব লৌচিং, মীগ মীগ মায়হন্দব, চায়হন্দুব, য়েংথীনহনব—ঐগি মীন লাল্লম্মগ ভুল, মীগি মীন লাল্লগ জেল! মীচং নায়ব শাসন কৈদৌদ্বেদ লৈবাক মুংঙাইরোই—, লাইগি থুংশেন্ন য়ান পোক য়ান হিংলগ—য়ান শিব তারিব হুবাৎলগ পুন্সিদ মীচং নাইব শা সনগি শামন থুম অয়াকপ, হৈ অশিনব হৈজিল্লিব করিগিনো?

পণ্ডিতঃ—মণিপুরগি মণিহু মা খ্রে নত্রগ লোংশিনখ্রে, মতুন শাসনসি ফাগীদ তারে মী মী নত্রে শা শল্লে—মমৈ পানব। মরম অতুন অচুম অরাল অফ ফত্তগি বিচার থি দ্রে চৎনদ্রে লন লৈরগ লোইরে, শেলগিদমক ইজ্জৎ মিংচৎ থম্মোই থরাক্ত লোইন থাদোক্লে—! লৈবাক মাংলবনে লৈবাক মুৎলবনে— লমশাগি লৌচিংন জয় ওইখ্রে—। সাধু সন্ন্যাস, সতীত্ব স্বার্থত্যাগ উদব চৎনদব লৈবাকসিদ লৈহৈনে চেন্নসে অত্তোপ্প লৈবাক্ত।

[চেৎমিন্নখি—মরাপ্মক]

অপাম্বী: (অঙাং পেরগ তফং তকি' ঙাইংখ ও ! মীরৈবাক্ত চেন্দোশরুক ইরৈবাকসি নুংঙাংনব শেমগৎসে, ঙাইখো, নহায় অঙাওবশা ! অঙাং চেন্নমত্রবদি খঙদোবনিকো

[তান্নখি]

অঙম শাহব হোংব স্নৎ শেৎ, অহনবীম স্নারী শেৎ নকপ মপান নাইব কেন হঙ্গং হন্দা চৎ রারী পারি আক্তিন্ত।

হোংব:—ঐ ভব তাদ্রে সেক্রেটারী, লম্নাই লম্নাই—মরীমতা মরূপ মপাংগি রাকৎচেন য়াম্মনগ্রদুন করম্বদ হান্ন পীনি কনাদ হেন কনাদ রাৎ, মশীং থুংব নাইদ্রব মবুক লাওগ্রব পেন্দব ঙাক্ত—ঐ ভাব তাদ্রে। অঙম্ব ওইব-সিদি সত্য শান্তি ফংব থবক নত্তে—।

অহনবী:—হোরেলদি নুংঙাইরব লীলা অম মণিপুর থিয়েটরদ উংকনি হায়রি, মত্তদুম য়েংউসি—লৈবাক্তি থবকস্তু পং-থম থমজিল্লগ লোইবে থো শাবিকন্নু।

হোংব:—খঙদেনে অত্নম হায়ন ঙাওশিন্নবনবু করদ্র ! করিনো বাত্তোম্ন য়ামথ্রিবা—পুত্রী খোংবান লোঙব উরেকথোঙ শঙ্গাব, কোম্ভোং হাংদোকপ, রারেম ঙাংনব মিটিং থবক শুদনব—লাও খোংনব মীতিন......মিটিংদি চাউ-খংলে লৈবাকসে: লালহৌ সত্যাগ্রহ প্রোসেসন্ন তোইরিব অঙ্গাং পোকপগি অস্থিসঞ্চয়গি শিন্নিব হন্না গুলাগি লৈবাক নঙন নংসন কননা নংদগে ? মাইক পান্দুন লাংব লীলা,

কুশৈশ্ন, ইশৈ ৯গোই, মিটিং, প্রোমেসনপূম্নমক নোইজ তেকস লাংবগি খাজনা লৌবতায়, গাড়ী স্কুটর জীপ ইঞ্জিন মখোল থোকপ মথৈ খাজনা খিব ত'ম্ন, লাংবগি তোঙানব অম— ।

অহনবীঃ— খাজনা লৌশিনবগি ব্রাদু মীন সুংশিদনবনি, ভোট ফংনব পীথোকপদস্থ থুংসি থুবাম থর চাউসি, মীশক মীমাই য়েংলগ—।

হোংবঃ— কনা কনাদনো নংন থুবাম চ'উনী'লিববু সেক্রেটারী

অহনবীঃ—ঐদি লীলাদ থব্রাই য়াওজব'নন এক্টর এক্ট্রেশশিংদ লুপা ৪০০।৫০০ চাব থবক ১০০ মুক্তং হাপ্পিসিনে। মখোয়ন ইফম চাউব ঐখোয়বু কল্লক্তুন লীলাদ ইতৌ তম্বদু ঐদি ফন— সুংঙা'জৈ— । অদুগ থবক হাপ্প মতমদ লীলা য়াওরকপ মীশিংদ হায় পীবিব ফৈ—নত্তে, ডাক্তর, ইঞ্জিনীয়ার, উকীল, আফিসার ওইরগ রাঙাংব ফজদব এক্টিং হৈতব মীৎ নাই— ।

হোংব: — ঐখোয়গি সরকারগি মওং হায়ববু করিস্ত লৈতে ইবেম্মা শেল য়াওদন পার্টি চাউখৎতে, মী সুংঙাইখত্রে; মরম অদুন ঐখোয়গী মী খল্লগ মত্তেং পীনি, মরল লৈহন্নি। ঐখোয়গি মাংনব তোব—, মিংচৎ থীহনব চুম্মনশিংবু ঐখোয়গি ইতিক কয়া লুম্বগে খঙহন্নি। মপোক অসিম হৌগৎলকপ ঙমদনব য়েক্লব দুর্য্যোধনগি থুকউ কাং থুগাই-থনি থুদেকনি।

(থম্ব অমদি সুপীচা কেন লেং লিংলগ থোরকই. মথুং লময়গ ইশৈ শুংজিন্নহুন—নৈনবম্ব মতেং পীনৈ)।

থম্বঃ—ইফম চাউবসিন্নু ফন সু'ঙাইব জাৎনি কো সত্য—।
মসি শিদ্রিব কাওব ওইনব ইরল ইপাঙ্গল ইরৌশিং
শিজিন্নবতায় হা—সুপীমচা? (অতৈন নোকই)

সুপীচাঃ—এস য়োর ওনর, অঙম্ব অঙম্বী অনীদ ঐন রাকৎ-
চদোব হায়ববুঃ ইশৈ জগোই পান্নশিংদ প্রান্ত য়াম্ন
পীখিব আর্টিষ্টশিংদ থবক পীখিব, মহৈ তম্ন তম্ন বৃত্তি
পীখিব—।

হোংবঃ—কানবু কান্নব্রনে?

সুপীঃ—ঐ ইশামক পেংনহুন খঙজরবনে, য়াম্ন কাম্নেবো সুপীদদি।

থম্বঃ—ঐদি লৌমীদে হোরকপনিন লৌউব চাউখৎনব, পুক-
থম্নব লম্বীদ লৈবাক্কি শেল তঙ্খাই অম থাদব পাম্মি।
অহিংব মীদ অতৈ অরাইবনি চাবন মরূনি। ইশৈ
জগোই লীলা কলা—চাক য়'ওদন য়াদে। লৌউব
চাউখৎনব বিজ্ঞান্দ অম শেল য়াম্ন থাদনি—।

হোংবঃ—অতৈ পূম্নমক অরাইবনি. পাটি চাউখৎনব থুম্মিব লু
শিংহুদ লৈবাক্কি শেল তঙগাই অম থাদব তায়—।
ঐখোয় পার্টি চাউখৎতন অতৈ করিগুম্বন চাউখৎপ
অর্থ লৈতব ব নি—মহু থঙ্গদবনি, থবক তৌব তৌদব,
লৈবাকস্তু চাউখৎহনব পাম্ব মী থুদিংন।

থম্বঃ—অঙম্বন হায়রিবহু খর কায়রেনে। পার্টি'দ য়াওব

য়াওদব মী পুম্নমক চাক চায়, মখি শেংলি। ময়ুম পাম্লি—। ঐখোয় কাংবুদ য়াওব্রবদি চাক পীজরোই, থবক ফংহল্লোই ময়ুম মৈ থানি হায়ব হৌনব্রাও?

হোংবঃ—মরৈ য়েংকদ্দু থম, পার্টি দিসিপ্লীন কায়ব য়াদে পার্টি হিংজনব তায়, মী অরাইবনি পার্টিন অরুবনি।

খম্বঃ—মী য়াওদন পার্টি লিংব য়াব্রাও? চাক চাদন মী হিংব্রাও? মীন হিংদন ঐখোয়গি পার্টিদ য়াওরগ করি কাম্নদগে—! শিগ্রব মখোই পার্টিগি মেম্বর লিষ্টতা চনখংলসিরাও? অফ ফত্ত অচুম অরালগি বিচার লৈত্রব মকোক্ন য়োংকোক পানবদু মী অম ওইন মম্নিং চলগ করি কাম্নদগে পার্টিদুদ—?

হোংঃ—লম হেনগদ্দু খম্ব পার্টি দিসিপ্লীন কায়রবদি নফম তাজনি—পার্টিদৈ তাস্থেক ন—মদু খঙঙু।

খম্বঃ—পার্টিন অরুবনি মী অরাইবনি, লৈবাক অরাইবনি, পার্টিদ, য়াওদব মীদ থবক পীনিংদে, চাক পীজনীংদে - মীচং মীথায়—নাইদব য়াদে হায়ব কাংবুদৈ ঐ তোক রে থবকসু থাদোকচরে—লৌ উতুন চানব পুক্নিং ইংন, ঐ চংলে অঙম ঐগি ফমসি য়োম্লগ পার্টি ফন্দ ওইনজহৌরো—। নদি মুপী মচা?

মুঃ— অঙম অঙম্বী! পার্টিদৈ য়েংহ—ইজ্জৎ য়েংদব, ধর্ম্ম অমদি অচুম্ববু শেলগ ওংথোকপন পার্টি চাউখৎপ য়ারোই—। লৈবাক ঙাকপ হায়বসি ঙাম্নু খুগ, জঙ্গাম

হৱাইমতোন য়োনবগি কাৱবাৱ নত্তে। পার্টি পুন্নমক্কি মী চাক চায়—, ফি শেংলি, মমুম পাম্নি, নখোয়গি মীদদ পীজনি, ফি য়েম্নি থবক তৌহন্নি—অতৈগি মীদি শিজন্নসন্নু হায়বত্ত ইন খোনব ডুমগি পোলিসিনি। পুকচেল চাউৱগ মী খোল্লো, পার্টি চাউৱক্কনি ভায়। ঐগি ইনফমসিন্নু নিলাম লাউজহৌৱো, পার্টি ফণ্ড চাউনব, মীওংপদ কন্নব—। গুদ নাইট—।

[মখুৎ শন্নৱগ ইশৈ ঙংতুন চংখি]

অঙম্বী:—(ৱ খল তৌৱম্বদৈ) কয়াদ মী উশিংখিদ্রবশি'নো! মখে য়সিবু মতিক চান লাক্কব ঙমদ্রবদি, মখোয়দ ঙম-দ্রবসু মচা মনাওদ মগুদ তায়নব ঙমদ্রবদি পাউৱাৱ পায়বগি অর্থ লৈত্রে হোংব—। শাসন পায়ৱম্ব, মকম চাউৱম্ব অঙম্ব—অঙম্বী পুন্নমক লৈবাক্কে পেক্লগ মাগি মাগি চফুদ শেঙ্গাওদ পৈনখিব ঙাক্কনি। মী অত্তেন শেন চাব চুপ্প—য়োংপদি য়ারগ ঐখোয়ন তৌৱবদি কাৱগি শাওৱিবনো—? শাওগে শাওজসন্নু অঙম্ব, ঙসি হয়েং তম্ব ঙমদে ঙম্মিবমথৈ চোপ চোপ শেন চাগদ-বনি ঔচুপকদবনি খুদোং চাব ফংলিদ্রেদা—।

হোংব:—মতুনবু চুমগত্রা ঐ জ্ঞান তাদ্রে, লৈবাক্কি নেতা ওইবসি অৱাইব থবক নত্তে, ইকম চাউবম্ব অৱাইব নত্তে। কৱম কৱম্ব শেল খোমগৎসিগে? মতমদি পংকুই কুইব য়াগনি হায়ব থাজদ্রে। শেল চাব, শেল খিব, ৱা

নোঙ্গ হৈব মী ৫০০ দং খিসিরাও?

অঙৗঃ—অচুক চাউব প্লান করি কাপ্পদগে—মীন রা রাদ লাও-
খিচুন তোকনি। চিনিচুম খর লৌরুসি কোওপরেটিভ
ভগি, হোটেলদ য়েংলগ চুনা তোংই হায়রি—।
মচা অচৌব খিবিরুম্ম লৌশিনবদ লেপত্রগ ইনাক খুল্লক-
কনিয়ে—। [মপান্দ ময়াম্ম লাওব তায়]

মণিপুরগি মণি—মাংফদে—!
মণিগি লৈবাক—নংফদে—!
মণিচুরানব সরকার—থাজদে !
লৈবাকপু নংহনব সরকার—তোকপিরো !*

(অঙব অঙবীন ওক্তুব কিচুন লৈরিঙদ মীয়াম চংলকই পাকথচুন রাইফল অমদি ষ্টেনগন পায়রগি মতোদ মাইকৈ মরীবক কোয়শিল্লি। মাইচৌ মথন্দন রা ভাংননব চংলকই।)

অঙম্বঃ- করি পাম্বিবা মীয়'ম্না ?

মাইঃ—মণি পুখোরকউ, লৈবাক পুংঙাইনথ। নখোয় খরদগি
লৈবাক নত্তে—। মসিনি ঐখোয়গি রাকৎচে—দরখাস্ত

অঙম্বঃ—মণি লোৎতে, থঙদে ঐখোয়দি—।

মাইঃ—অচুগ নকম থাদোকউ মথরাই থানিংত্রবদি।

অঙম্বঃ—থরাই পাম্মুই, কম থাদোকচরে।

[মখুৎ থাঙ্গৎলগ অঙম্বীস্থ সয়েন্দ্রর তৌই।]

মাইচৌঃ—কনানো অঙম্ব ওইবিনিংব চোংখোরকউ, মণি পুথোকপ
ভস্থ নত্রগ প্রজাশিংবু মুংঙাইন পালহনব ভয়গদব

নিপা মুপী—। বায়েন থুৰ্জ্জী পায়খিৰো অঙম অঙম্বী কনানো। লৈবাকশিনথুং'ন লাঙথোকউ—।

পণ্ডিত :—মতম খৰ ওইহুন মুংঙাইরুবগ ঙমদ্রে হায়ৰবদি—? মাইচৌ থৰাই কংপ তাব চহি অম হেক শুবগ। চহি ১ নিংথৌ ওই'খিয়ু, লৈবাক মুংঙাইহনব ঙমদ্রগ চহি লোইবদ প্রাণদণ্ড, মথৱ ই কংপ তাব।

পা ১:—কনামত্ত থৃমদ্রে, কনাস্থ চোংথোক্লক্তে, করি উপায় তৌনি—?

মাইচৌ:—মতিকচ'ব পি পা থোরক্লিংউদ নূংঙুম অম সিংহাসনদ থিল্লগ ঙাকহনব—তায়—। নূংঙুম থিৰকউ, মী শিব ংঙদ্রিউ।

পা ২ :—(নূংঙুম অম অঙম্বগি ফম্ফমদ থিল্লৈ)

মাইচৌ:—জৈ জৈ—নূংঙুম নিংথৌগি—জৈ। নূংঙুমগি মহুৎ শিনবিনব মতিকচাব কনানো থোকপিৰকউ মহুনি মীয়ামগি দৰখাস্ত।

—[(*)]—

মণি থিব

(নুংমায়দ সিন্দুর)

অহুমশুব মতাং।

(সিংহাসনদ নুংজাও সিন্দুর তৈব অম থিল্লি, নাকযেংত লাইনীং ফিজেৎ শেংপ পণ্ডিতজ অমদি মাইচৌ ধ্যান তৌরি, 'লাইরিক পারি, মন্ত্র পীরি—যদা যদাহি .. .. । ধুপ থাংমৈ হৈরুক তাঙ্গা, অথেনপোৎ থিল্লি—মন্দিরগি মত্তৌ মওংনি।

লুপী নিপা, অঙাং অহল কয়া কয়ান লাই খুরুম্ব লাকনৈ শেল কংনৈ—অপাম্ব য়াহুং হংনৈ। থোংজিন্দ পোষাক শেংপ সিপাহি অম সন্ত্রী ওইন লেপপি।)

সন্ত্রীঃ—হুজিক ঙহাক নৈরগ লাইনিংথৌ নুংজাউন ঙরাং অহিং পণ্ডিতজী অমদি মাইচৌ ইবুংঙোদ তাকপিরম্ব লাই-বাউ তাব ফংবিগনি। ল'ইনিংথৌবু থাজবিব ভক্ত প্রজা ময়াম্ব তাবিথিন য়ানি।

[ময়াম ফমদুন লেপ্তুন ঙাম্বনৈ তাদৌবগি]

মাইচৌঃ—তাবিসি লাইনিংথোংগি প্রজাশিং, ঙরাং অহিং লাই নিংথৌন মঙকাওনরগ তাকপি খদি লৈত্তাকলোমিঃ প্রজা খুদিংমক মাল্লন শেংপ চাব তায়, য়ুম্বাল কৈবান মাল্লন লৈব তায়। অহেনবদৈ লোথোক্লগ অর ৎপদ হাপ্ল তায়। থবক পূম্নমক মন্ত্রী জজ, ফম্নাইব কম্নাইবী পিওন চাপ্রাসি তল্ব চপ মাল্লন চাগনি। মথৌ নিংথিন তৌদব মী মথল্লাই মাংজনি, অকব অল্লাংব থবক পুব মীন থা অমদ মুম্মিৎ ১০ নী ফাওব পোথাব য়ানি, অতৈন হুম্নী মরিনীদৈ হেনব য়াদে। [খুবাক খুনে]

পণ্ডিত:—ঙরাং অহিং লাইনিংথৌ নূংজাউন মনাই অচানব ঐঙোন্দ মঙফাওনবিরম্বপি ব্রায়েল পথাপকি মরমদনি। লম লমদ থোকপ ব্রাথোক অদু লম অদুগ পঞ্চায়ৎ ব্রায়েল চৈরাক অচুম্ব পীনগনি। অচুম্ব থিভম খঙন-দ্রব ব্রাথোক অকবদ লাংনি থৌন শম্ম বিচার তৌ-বিগনি মতিকচাব কোর্ট কি কৎনরগ। আইনগি মমীৎত মী পূম্নমকপু চপ মাম্নন উগনি। মচীং মীখাই নাইব জজবু লাইনিংথৌন মথল্লাই লৌগনি ত কপি-রম্মি। লৈবাক্ক অপাম্ব জজ অনী ঐগি ইতেং পাং-বিনব প্রজাশিংন খনবিব তাম্ব। করিম্ হঙলব মনাই ঐবু লাইনিংথৌন বিচার পতিপুম্নেন হাম্মিরম্মি।

[ময়াম্ব থাজৈ খুবাক খুনৈ]

হোংবঃ—লাইনিংথৌ পাম্নব অহৈ অশিং অনী, মনাই ঐবু ব্রা...

অমত্তুং হংজব য়াগত্রা ?

মা'ইচৌ—হংব য়ানি।

হোংব—লৈবাকসিগি মন্ত্রীহনবু কনান ওইদগে ?

মাইচৌঃ—লাইনিংথৌ মনাই ঐন ওইব তারি অহানব চহিসিদ

চাউবঃ—অতৈ মন্ত্রী কয়ান তেংবাংব তারিবগে ?

মাইচৌঃ—অতোপ্প অনী অম লৈবাক্ত থনব য়ানি।

হোংবঃ—ইলেক্সন্দ অমুক শেল তিংদোশরুক, লাইনিংথৌবু অকব মীশক কেন্দিদেটশিংদৈ থলহনব য়'রোইদ্রা ?

মাইচৌঃ—য়ানি, কেন্দিদেটশিংডু ১০০ চৎপী অমমম লাইনিংথৌদ মমিং হায়রগ মখুৎন কৎহল্লু।

[হোংব ১০০ চৎপী ১ লাইনিংথৌগি মাংদ থাদবগ]

হোংবঃ—ননাই ঐ ইমিং হোংব কৌজৈ, মন্ত্রীগি কেন্দিদেট ১।

[শম্ম থুরুমই]

চাউবঃ—(১০০ চৎপী থাদরগ) ননাই ঐন চাউব কৌজৈ, মন্ত্রীগী কেন্দিদেট অম। ইলেক্সন্দ শেল য়াম্ম তিংনদৌ শরুক লাইনিংথৌন কাওবিবত্নবু থাজজনি।

[থুরুম্মি শাংন]

মাইচৌঃ—(নুংজাউদৈ সিন্দুর মথোয়নীদ নম্বিরগ) হোংব চাউব, চাউব-হোংব, হোংব-চাউব। [নুংদ তাক পাম্বরগ] চাউবী চাউবন কানি, হোংব নং লেপপুম্ম।

[মীয়াম্ম থুবাক জা থুনৈ]

পা'ওঃ—লাইনীংথৌ পূজারী, ননাই ঐম্ম জজগি কেন্দিদেট অম

ওইজনীংই (১০০ চৎপী থাদৈ) ইমীংন থম্ব কৌজৈ।
(খুরুম্মি)

অপাম্বীঃ—ননাই ঐস্থু জজগি কেন্দিদেটনি, (১০০ চৎপী থাদৈ) ইম্মিংন অপাম্বী কৌজৈ।

হোংবঃ—ননাই ঐস্থু জজগি কেন্দিদেট ওইজখিগে (১০০ চৎপী থাদৈ) ইমী'দি হোংবনি। (খুরুম্মি)

পণ্ডিতঃ—(৩ চুগী মরাইবক্ত নুংদ'গ সিন্দুর খর খর তৈবি নুংজাওদ পায়রগ মমীৎ উইরগ): থম্ব, অপাম্বী, হোংব; হোংব, অপাম্বী, থম্ব; অপাম্বী, হোংব, থম্ব। হাপকদৌরিব জজ অনীচু অপাম্বীগ থম্বগা ওইরগ লৈবাক্তি য়াইফনি। (খুবাক)

(হোংব চিত্তা তৌরগ চৎখি, অতৈস্থ চৎনখে, থোইবী মখন্দ গুায়হোরে)

পণ্ডিতঃ—য়াইচৌ মন্ত্রীহন, ঐ অমুক্তং হকচাং শেংদোকচরুখিগে।
(চৎখি)

মাইঃ— কনি পণ্ডিত বিচারপতিপুরেন। করিগিনো সুপীমচা নংন মীয়ামদগি চিংথগৌরিবদি ?

থোইবীঃ—ননাই ঐ ত ইবুংঙো মন্ত্রীহন্দ করিগুম্ব অয়োনব রা অমত্তং হঙ্গৎচনিংহুন।

মাইঃ— হায়ষু তাসি, করি ব্রানো ?

থোইবীঃ—মন্ত্রীসি অমুক্ত তাম্বোকপিয়ু।

মাইঃ— সত্রী নং পোঙ্গান্দ লৈরু, অতোপ্প মী অটৈ চংহল্লকনু। মন্দিরদ লাইখুরুম্ব য়াত্রে ঙসিদি, মতম হেল্লে শায়রু। (সত্রী চৎত্রে) করিনো নংন হায়নীংলিবনু ? নংনু কুমারীরা ?

থোইবীঃ—মানি তাইবুংঙো পোকপদৈ য়ুম পাঞ্জত্রি, থবাইন তাব অমত্ত থেংনজদদুন ইরল ইথুমগ লৈজদবগ মতিকচাব নিপানসু পঙহায় হায়বিরদে। ঐখোয় তামোস্নু য়ুম পানবিত্রিব নত্রাও ?

মাইঃ— হায় পান্দ্রি ঐদি লাইনিংথৌগি মনাইনি, লৈবাক্কীসু মন্ত্রীহননি। য়ুম পানব য়াদে, মীচং মীগায় নাহনিঙ্ককনি, ঐদি প্রজা পুন্নমকপু চপ মাগন উব তাবনি।

থোইবীঃ—ননাই ঐগি লইবক'সি ফগৎনব ইচা ইরল ফংনব তাখোন অপোকপ অমুক্তং ঐথোয় য়ুমদ অহিংদ লোম্ম থুকমা য়ু শায়জগে তৌবনে।

মাইঃ— ঐ ঙম্মোই লৈবাক্কি থবক নত্তবদ মতম মাংব।

থোইঃ— ননাই ঐ লৈবাক অসিগি লাইবকথীবী অমনে, ঐগি য়াইফনব তৌবিবদি লৈবাক্কিসু ফনবনে।

মাইচৌঃ—মত্তুংদি চুম্মি। ঐগি থবক্ক চিনবনে, অয়োনব থবক্ক ওইবনে, ফন লুরি মুপীমচা, অতোপ্প অটৈন উগ্রবদি ঐগি ইমীং থীনি।

থোইবীঃ—কনাবু খঙহল্লুদগে তামো, ঐবু অঙাওবীয়াও ? অপোকপ ঙহাক থুরুমবি'স্ন চাক চম্না অম হাবিখিব

অহুন লোইরে। কনান খঙঙ্দগে? চানবিদব য়াদবনে, ঐদি অতৈ কনামতবু থাজজদে তামো নত্তন।

মাইঃ— নং মী অতৈবু খঙহনবদি য়াদে।

থোইঃ— লাইনিংথৌন সাক্ষী; ইমা ইচাদনে লৈমিন্নরিব, অতৈ কনাম্ব খঙেঙাইয়ে।

মাইঃ— নং ভলব চাব থবক পাম্ব্রা? থবক ওইন পীরগে?

থোইঃ—ঐ করিমত পামজদে, তামোন লাইথুরুম্বিরগ ইরম্নাই ওইন মুংঙাইখৎপ নত্তন।

মাইঃ— নয়ুমদি কদায়দা?

থোইঃ— শেবোক চুংড্রিংগি মাইল নুং ৪ শুবগি মথোঙদ লৈরিব সঙ্গোইমচাত্ত ঐগিনি। ঙাইদুন লৈজরমগে থোঙ্গান্দা।

মাইঃ— নোংয়াইদ লাকে ঐ, নং চৎলো। থিন্দোকপিগে লাকও। (চৎমিয়ে) নংগিসি ঐগি পুকচেল চাং য়েংদোব্রিবনি, ঐ খঙিঙ।

থোইঃ—হা হা, পুকচেল চাংয়েং নত্তে, অমত্ত ওইবগি য়ানে।

মাইঃ— নংগি নত্তোসি মুংশাদি থর থৌদা। ঙাইখো, অমত্ত হায়বদি?

থোইঃ—নোংয়াই য়ৌরগ ভাকচগে। (মমীৎন নোকই)

মাইঃ— নং নমীৎতু কিদিকিদা। (চৎমিয়খি)

পণ্ডিত চংলকই, লাইনিংথৌদ দণ্ডবৎন খুরুম্মুগ পক্লাঙ্গ খুকমস্রিটৈ।

পাণ্ডিত — লাইনিংথৌ ইবুংঙো, অচুম্ব বিচার অচুম্ব ময়ক তৌব ছম্নব জ্ঞান পীনবিয়ু, পা[illegible] পীনবিয়ু। অচুম্ব-গিদমক থব্রাই কাওব থাদোকপ কিদ্দনব থৌনা পীনবিয়ু ননাইদ। [থুরুম্মি]

(থাংদৈম থর মমথৈ)

অহনবী:— (কপত্তুন লাপ্পা খুরুম্মৈ) লাইনিংথৌ ইবুংঙো ননাই ঐ মাংলে, ইরল ইথুমম্ব ইজ্জৎম্ব ডাকুশিংনে লোইন হুবিগ্রে। বিচার তৌবিব পঞ্চায়নম্ব মচা মনাও শোক্কনি হায়দুন ডাকুশিংবু কনবিগ্রে, ননাই তোল্লবীদি মুৎলে মাংলে। সন্ধ্যাদ লুট লাক্লগ ননাই ঐবু মাং তাকহনবিয়ে। হুজিকমক থিগৎপিদ্রবদি সাক্ষী জবান শেমদোক্লগ মবুকমাংব পঞ্চায়ন মচা মনাও ডাকুশিংবু কলখিদোরে। (পণ্ডিতকি মখোঙ মশা পায়রগ) বায়েল চৈরাক পুরেম হুজিকমক লেংলগ থিগৎপিদ্রবদি মরাল লৈবশিংদু লোৎপ্রনি। মবুকমাংব পঞ্চায়গি জজশিংবু প্রানদণ্ড পীবিয়ু ঐগ্যা। [কপই]

পণ্ডিত:— তপথৌ মুপী, তপথৌ। ঙকাক্তং ইংথখো, অচুম্ব থিগৎনবগিমক ঐ চৎকনি, নংগি বাকৎসি ঐ তারে।

মাই:— করিনো পণ্ডিতজী কৈদৌরবগে ?

পণ্ডিত:— মুপীসিগি মপোৎ মরল ডাকুশিংন লুট তৌবিগ্রে। বিচার তৌরিব পঞ্চায়ন মচা মনাও ডাকুশিংবু মরাল পীরোইদৌরে। মন্ত্রীহন ৫হাক এককাবী চৎহব যাগ্রে